
য়াথং

(A social comedy on five year plan)

বাই :—

টিঃ ইবোমচা

ছাপা তৌবা অমস্তুং ফোঙ্‌জবা—
শ্রীহিজম ইবোবি সিংহ।



অহানবা ফোঙ্‌বা ১৯৬৭ ইং।
কোপী ১০০০।

মমল : লুপা ২·২৫

নম্ফম—
সেভেন ইউনিয়ন প্রেস,
পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

ৱাহৈ অনিদং

শোক ১৯৬০ দা লাইবিক অসি ইজখিবনি। কবিশ্রু লৈতবা ইচম চম্বা ইমুং অমখক্কী ৱাবীদা 'চহি মঙাগী থৌৱাং' গী মমি খজিক্কং তানবা হোংনজবতনি।

মণিপুৰ সবকাবগী শিক্ষা বিভাগনা লেখকশিংদা লাইবিক ফোংনবা পিবা মতেংদা, লাইরিক অসিস্তু ফোংদোক্নবা মতেং পিবীরকপগীদমক্তা থাগৎচরি।

লেখক।

তাং ৯। ৬। ৬৭ ইং।

মীশক মীওই

নিপা

নিলো	কেরানি, চহি ৩৭তগী ৪২
তোমাল	ওভসার (নিলোগী মকুপ)
মধু	এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়াব
বীবা	কেরাণী (ফত্তবগী শক্তমদা)
ঙমচুং	পুকচেল চাওব্বা খোংজাই
মণি	লৈকাইগী অহল অমা।
আমু	লোইলমগী অহল অমা।
(ক) লালা }	অঙাওবা অঙাং অম চহি ১২
(খ) লালা }	মপোপ মতাং ফরবা পাখং অমা
শগোলদোং ওঝা	থবক শুবা অহল অমা
চাইরেল ওঝা	,, ,, ,, ,,

অসিনচিংবা ব্লোক্কী থবক তৌবা মীশিং অমা'নি
থবক শুবা মী খরা অমস্থুং ব্লোক্কী অফিসার বি, ডি, ও।

(নুপী)

লৈরিক	লালাগী মমা, চহি ৩৪দগী
সনাহনবী	আমুগী মচানুপী লোইলমগী

ফিশা লোনশা তম্লিবা লৈশাবী মচা খরা,
লোইদাং, পেংস্থু।

য়াথং



অহানবা অঙ্ক

অহানবা উৎপা

অয়ুক। নিলোগী মাঙ্গোল।

[মাঙ্গোলদা ধূপ থাওমৈ থারহুনা মপুরোইবনা লংফৈ চৎলমদাইদা লৈরিক্লা মঙ্গল নিজরি। খুকুখুদক কুম্হবহুনা মাংদা থাল্লিবা মৈঙাল অতুদা মুন্না য়েংলি।]

লৈরিক :— অপংবীগী থম্মোইনা পীরোইনরবা ব্রাখলগা লোয়ননা মঙ্গোল নিজবি হে ঈশ্বব! নহাক্লা শিনবীরিবা পুন্সি লীলাদা ঙাকশেন্না পুবিয়ুকো মফম খুদিং, খুদোং থিরবা অব্রা অনাদগী পাংজদ্রবা ননাইশিংবু কনবীয়ু।

(ইমুংদগী নিলো মফি মরোল শেৎলহুনা থোক্লকই, লৈরিক্কী মতৌ অতু য়েংলগা নোকমি নোকমি তৌহুনা হায়রকই।)

নিলো :— পুক্নিং অনি লোংদনা থব্রাই চংনা খুরুম্মু মঙ্গল ওইননবা করি করি বরকদি নিজরবা?

লৈরিক :—(নোম্থরম্বদগী নিলোবু হায়রপ য়েংলগা ইকাই হঙ্গোইনা) মঙ্গল ওইনবা হায়হুনা ঈশ্বরবু খুরুম্মীবনি।

নিলো :— লৈরিক, অতুনি মংগী ধর্ম্ম। নহাক্কী ধর্ম্ম অমদি নহাক্কা মুমিৎ খুদিং পূক্লিং অনি শোংদনা ঈশ্বরগী মফমদা প্রার্থনা তৌরবদা দেশকী মঙ্গল ওইরগনি। মুপা মুপী অনিমক্কা রাখল মান্নদ্রবদা পূন্সিগী থৌরাং পুম্বা অরেম্বদা তাখিনি। সমাজবু, জাতিবু শেমগৎপগী থৌরাংদা য়ুমগী মুপীশিংমু অচৌবা শরুক য়ারিবনি।

লৈরিক :— অপংবী ওইবনা সংসারগী শান্তি ওইনবা মঙ্গল নিবা হৈজদে। পূক্লিংনা লাৎচরিবা মুক্তি অসিদা মাংহনবীদবা ঈশ্বরগী চরন্দা থল্লাই চংনা নিজরি।

নিলো :— অঙম্বা খরত ওইরবসু হোৎনতুনা জাতিগী চাওখৎপগী খোংথাংদা থৌদাং লৌগদবনি। ঈশ্বরনা পিরকপা য়াথং অদু মীওইবনা হিক্কোকপা ঙমদে অতুগা য়াথং অদু অফবা ওইনা তম্বীরক্লবদি মীওইবগী শক্তিগী মনুং চল্লি। নহাক মতিক চানা ফিরোলশাবা হৈরবীনি, লৈকায়গী মুপী অঙাং-শিংবু নিংথিনা ফিশা-লোনশা তম্বীতুনা মরম ওকপগী লম্বীদা লমজিংবীয়ু?

লৈরিক :—তম্বীরিবনি। মখোয়গী অয়াম্বা খুৎশু-খুৎলাই লৈনরক্লে।

নিলো :— হুমঃ থেংগ্রবরা করিনো মতম অসিবো হায়নখিবা ব্না অতুগা ; ঐগী পোৎ চৈ য়োম্ববু লোইশিল্লব্রা ? চৎননবা তৌবনা ফরদমালে, মীনা আদা পংঙাই হেক ঙাইরমহুনা ··

লৈরিক :— থৌরাং পুম্বা লোয়জরবনি (ইমুংদগী নম্বো পুথোরক্কুনা) পোৎচৈ সিদা লোয়না লৈরে, অতুমকপু করি করি খ্বাংলিবা

অমুক্তা নিংশিংবীখো। চেংকাদি হাপত্রবস্থু য়াগনি হায়ব-দাই অহুবু সের অহুমখক্তি হাপচিল্লবনি।

নিলো :— অহুবুদি ফরেদা, কম্নিবু অৈরুগবনো। অাদস্থু লোয়না ফংগনি হায়নি।

লৈরিক :— তাদা তোমাক্স্থু সিদা চংলক্কনি হায়রম্বদাই।

নিলো :— উম, চংলক্কনি হায়রম্বনি, অহুবু আদা পুলপ ভাইননবা চংলমলদ্রা খংদ্রে।

লৈরিক :— চংকদবা মতমবু নহান হায়বা অহুমুক কুইরক্কদ্রনে। অহু ওইরবদি ওস্তোক্লা শাংগ্রেদকো। ঐবু তাদখোয়গী মনাক্তা লৈরম্বনা ফগদ্রা হায়বা।

নিলো :— কনানা খংবনো, নোংজুথা লাক্কুনা নোং হেক তারক্ল-বদি ঈশিং চাওহুনা থবক শুবা য়াদদনা হল্লকপস্থু খংদে।

লৈরিক :— ঈশিং চাওরবদি য়ারোইনে, থোং শাবনি হায়রদাই।

নিলো :— মানি, চাওগ্রবা থোংনি। মণিপুরগী ভমখৈ ওইরবা চীংগী লম অমদনি। চহি অনি অহুমগী মন্নুংদা লোয়ননবা শাগদৌরিবনি। থবক অহুদা অপনবা লৈত্রবদি লোয়দ্রি ফাওবা য়ুম য়ুমদা অমত্তা হন্নন্নুসি হায়নরিবনি। অহুগী মথক্তা ঐহাক্তি মুহোরি ওইনা লৈগদবনিনা থবক অহু ইথা থাদোকপা য়াগনি নিংদে।

লৈরিক :— ইস! অহুক শাংগ্রবা মতম অহুদা নহাক্স্থু য়ুমদা হন্নবীরক্ত, ঐনা অঙাং মচা অসিমগা য়ুমদা করম্না লৈহৌবা?

নিলো :— অস্থুক চাওরবা নচা পাখং অমা লৈরবদবু করিগী-দমক্তা ব্লারুনি।

লৈরিক :— চহি অনি অহুমগী মতমবু নোংজু মুংশা খাংহুনা করম্না লৈহৌগদগে খনহুনা য়েংবীয়ু ঐগীদমক্তদি ইমা ইপানি হায়না পু-পাং শুনা লৈত্রবনি, ইবুং পোকমিন্নদবা অমত্তং লৈরিবসি মঙাইরে, অসিস্থ ইনম্মা অসিনা ফত্তবনা য়ুমনি হায়হুনা চংনিংম্লুবা লৈত্রে। মরক মরক্তা থোক্লকপবু মুংয়া য়াররোইদ্রনে ?

নিলো :— ঐদি কদাইদগী পাকহেক লাকপা য়ারদগে। ঐ হেক য়াওদবদা থবক্তু পনবা হেক্তা তারবনি। অহুবু ইতাওদি ইতৎ তত্তনা চৎথোক-চৎশিন তৌগদৌরিবনি। পাউ পুন্নমক খংনবা য়াগনি। নহাক্লা হায়নিংবা য়াওরবস্থ হেক হায়রকউ, ঐহাকস্থ য়ারগদি করিগুম্বা কান্দা লাক্লবা হোৎনগনি।

লৈরিক :— নুমিৎ খুদিংগী ঐহাকস্থ ঈশ্বরগী মফমদা মঙ্গল নিজগনি। অহুগা মতম পূন্নমক্তা ঐহাক অমদি অপিকপা নচা অমা লৈহৌরি হায়বসিদদি কাওবীনুকো ?

নিলো :— করিগী কাউরুনি। চৎকদৌরিবা মফম অসি নুপী মশক ফজবী, জগোই শাবীকা য়াম্না লৈবা মফম নত্তে, মুংশা থিরুগনু।

লৈরিক :— হায়মা ! অহুগী নত্তেদা।

নিলো :— ঐহাক থেংঙ্গ্রগনি চৎনবা তৌরগেসে—। ললাদি স্কুলদা চৎঙ্গে হায়বা।

লৈরিক :— স্কুলদা চৎঙ্গে, খামহৌবা নংদ্রে, ওস্থোকপনি ঙসিদং লেপ্লবা হায়ববু। ঐহাক চৎহুনা ঙাইহাক্তং কৌরুখিগে।

নিলো :— তোকওদা করিবু তৌরুগবনো। ইচাদো চৎলমদাই-
সিদা অমুক্তংদি য়েংনিংবনিদো।

লৈরিক :— অদু ওইরগা লৌরুখিগে।

নিলো :— তোকও, তোকও থেংখ্নি।

(নম্বো থোংকত্তুনা শ্বর পুংকম য়েংই)।

লৈরিক :— (মপুরোইবদা খুরুম্নগা) মঙ্গল ওইরকউকো, নহাক লাক্ত্রি ফাওবা না-য়েক্তনা লৈজরমগে।

নিলো :— না য়েকপা অমত্তা য়াওদনা লৈরম্মু।

(তাঞ্জা অসিমক্তদা তোমালনা "বা-বা!" হায়না নমবো অমগ্না চংলকই, মবানিদু ইকাইরদুনা লৈথোকনৈ)।

তোমাল :— মঙ্গল ওইরো, মঙ্গল ওইরো……বা-বা।

নিলো :— (ইকাইবা মওংদা) ইতাও নং লাক্লব্রা মতম অসিবু থেংখ বরনে ?

তোমাল :— (থওইনা তাদনা) করি করি বরকাদি পিন্নরে। নচা নুপা চাওরবা অমা প্খোকখো হায়নরিব্রা ?

লৈরিক :— হায়মা, তাদসিদে!

তোমাল :— মুংবু মুংশিনে। ইবেম্মা ননিং থুংজরো, মহাপ্রভু-লমবোইরমদাইদোনা পুকমেল পাওমেন্নরি, ও! করি করি হায়নরিবা।

লৈরিক :— নখোয়গীদি হায়নরক্ত্রা ?

তোমাল :— ঐখোয়গীসু অদু মঙাই থথাদা কায়নরকপা নত্তে; যন ইরোই খোংবওম বা বা কপ্পরক্রিবনি। নখোয়গীসিদি

ক্যাবু মতৌ মান্দে ঐখোয়দি দণ্ডবৎ শাংনা শাংনা তিংথোক্ল-
থনা খুরুম্নরগা বিদাই পিনরক্লিবনি। ঐখোয়গীদি মুপী
অমগা পোক্লনবা য়াথং পীরম্লবনি। নখোয়গীদি ললাগী
মথাদা অমত্তা পোক্লরোইদ্রা ?

লৈরিক :— হেয়া তাদা নং অমা!

তোমাল :— অওইবনিনে, কনানা খংগনি ঐখোয়না লংফৈদা
শিখি নাখিবা থোক্লবদি, নচা-নগু খরা য়াম্না লৈহৌরবদি
ফৈদনা।

লৈরিক :— অতুগুম্না ব্লাহ্ হায়হৈদেদা তাদা, শিবা-নাবা হায়না
পম্বা হৌনদে চৎলমদাইদা।

তোমাল :— সেরা মানা হেক মুংশা থিজরদনা। লম্বীদা হাওনা
হাৎখিবরা করিনো তম্বা ঙম্বা নত্তেকো ফাগিদি তৌজন্নু,
শিগদৌরি জাৎনি।

লৈরিক :— অওইবরনে তাদা!

তোমাল :— তম্বা ঙমদে হায়বগী ব্লানিদা চৎথোকখ বা হায়বসিদি
কনানা খংগনি। মুংশা থিজিল্লক্লবরাও ? ওম্থোকপনিদকো,
কদাইদা 'সিবু লংফৈ চৎননবা শিল্লকলিবনো, ওম্থোক্লা য়েং-
হৈদনা কায়নবা তাখ্রেদকো।

লৈরিক :— তাদদি ইতৎ তত্তনা লাক্কনি হায়বদাই।

তোমাল :— লাক্কনি, লাক্কনি ব্লাবীরুম্নু ইবেম্মা। নাপ্পদা ইতৎ-
তত্তনা তমজরনিয়ে মপাউদো। পৈশাকা য়াম্না হেক হেক
পুবিরক্কনিদা। নংবু ফি-রোল শাবগী পৈশা য়াম্না থোকপদা
ইনে, করিগী অত্থক য়াম্না ব্লারিবনো ?

লৈরিক :— চরা হেনগনি হায়বগীদি থোইদোক্লা খল্লুদে, অঙাং পীশক অসিমগা লৈহৌগদবা মওং অসিদনি।

তোমাল :—লাইরিক তম্বগী মওংদা খরা চেকশিন্না য়েংশিনগদবনি। ঐখোয়গী অহুস্ মমাদা শিন্নরমলিবনি। মবান্নিমক ক্লাস চপ মান্নরিবা নত্রা? (নিলোদা) ইতাওহোইনা করিনো খংদে, অঙাং লাইরিক তম্বগীদি খল্লহুনা, বিদাইগী ব্লাখন্দা খনঞ্জমাল্লে।

নিলো :— হেরা ইতাও নং অমা ওম্থোকপা।

লৈরিক :— ঐখোয়গী অঙাংসিবু পংবনা করিনো খংদেনে, তাদা হয়েং চাওরক্লফাওবা অস্থম পংহুনা লৈরগত্রা মুংশা থিরে। ঙাওনা ঙাওরিবা ওম্থোক্লা লাক্লবা ব্লাগদৌরি।

তোমাল :— অঙাং ওইরি মরাইনা ফজরক্কনি। অহু ইতাও থেংখ্রনি চংনবা তৌরসিনে। করি করি ঙাংনদবা লৈরিবগে?

নিলো :— ফনি ইতাও চংলসি।

লৈরিক :— অহু—তাদা, মরক মরক্তা চহি অমগী মনুংদ অমুক্তা ফাওবা য়ুমদা থোক্লক্লরোইদ্রা; থবক লোয়ত্রি ফাওবা।

তোমাল :— হেরা—হরেগী ব্লাবুরনে। য়ারগা লাক্কনি করিনো, অহুগীবু ইমাই পেম্মা শিগ্রদগুম্না হেক খন্নরে। চহি অনি অমা, অহুম'মবু ব্লা ওইনা তৌশিল্লি। (নিলোদা) চংলসি ইতাও থেংঞ্জনিসে, ইনক নকপসিদবু লংফৈ অমুক্তা চংত-বহুদা লাই ওইনা নিংনরে, ব্লারুম্মু ব্লারুম্মু চংলো ইতাও। থিন্দোকপদি তৌহৈদে লৈহৌরোনে ইবেম্মা।

[নিলোনা মাং থাত্তুনা চংলি, অমুক্তং মাম্বাই লৈ-থোরকপদা লৈরিক্লা য়েংহুনা লৈরম্বগা মপা চাম্নখিবদা তোমালনা উক্করহুনা হায়।]

তোমাল :— ইসে অমুক য়েংনহুনা লৈথোকলেনে। কদাইদগী অতুম হায়না তৌববদি থোং থাংবা ওমলগনি।

(ইকায়হুনা নিলোহু পরপ-পরপ হেক চংখি।)

“লাইট”

অনিশুবা উৎপা

চীংনুং। ময়ুংখিল।

[খুদোং থিরবা চীংনুংগী দৃশ্যনি। থককাওবগী খুংগু খুংলাইনচিংবা লৈ; পঙ্গা থকপা মহল্ল অমিথক য়াওরি, শগোলতোং ওঝা অমসুং চাইবেল ওঝামি। শগোল-তোং ওঝা থোক্লকই।]

শগোলতোং ওঝা :— (য়োপ্পাক পোলাং থমহুনা ফমথরগা) ও... চাইরেল ওঝা, ওাইহাক্তংসু ফমহুনা লৈথোকসিদা, কৈদো-ক্নগনবনো হিদাক্তুম ঙাঙক অমত্তা পায়থংসিসে।

চাইরেল ওঝা :— (থোক্লকই) ফনি, ফমসে ফমসে। মখোই নহাগা মান্নবা য়াবা নত্তে। করিনো মখোই নহাশিংগী মতুং

ইনবা অসিদা শরু-শয়াংগসি পুমতেক তেক্লপোৎনি। (ফম-থতুনা হিদাক থকদবগী শেমখোৎলি। গঞ্জা থকপগী হৌনবা ৱাচোইনচিংবা পংঙাং ঙাংনৈ)।

শগোল :— করিনো ওঝা থবক্তি হায়তুনা তৌরিবা অসিনা তৌর নিংখাইরা, তৌর নিংখাইরা ফাগিতুম মানশিল্লক্লেকো।

চাইরেল :—নিংখাইসন্নু করি ভৌবগেনে ঐখোয়গী নামৎ মাংদ্রগা লোইরে। অহুম্লক্তি শুরক্লেদনা। ঠিকাদারদি মমিত্তা মপি তারক্লেকো ওঝা।

শগোল :— ঐদি নুমিদাং হেক ওইবগা ওস্থোক্ল কিজখরে। চীংগী মীশিং অসি ওস্থোক্ল কিজখরে। মমাংঙৈদদি মাখোয়শিং অসিনা মৈতৈগী মঙকশিং অসি হেক হেক কল্লগা লুখা থানৈ হায়রিনে, নোংমা ফোং হেক ফাওরক্লগা লোইনমক ককথৎখিবরা করিনো খংপোং নক্রে।

চাইরেল :— মৈতৈগী মকোকসিবু কল্ল কল্লগা মাখোয়গী লুখা থাবী হায়তু হেক হেক তৌরিবসিবু করিনোনে। চহি তরা কুন কুইনা থম্মী হায়রিনে, অতুবু পুম্মক্তুনা নমথিরক্লোইদ্রা?

শগোল :— কনানা খংবনো মাগী মাগী চৎনবী হায়বতুনি। অতুগা করিগুম্বা ওঝাগী কোকসি কক্তুনা পুন্নবদি ওস্থোক্লা কিন্নু-নিদ্রকো, মখোয় ওস্থোকপগী তৌজক্লরে খল্লকনি। মিৎ ইরাও লাওরক্লুনা কোইকাসিনা শাংনা শাংনা চোম্লিবা।

চাইরেল :— (শাওরপ্লা) হেরা করিনো ওঝা হায়হৈদো। চিন্দুং ইল্লরনি। মং-হানগা খরা হুঙাইত্তবা অসিদা।

(মবান্নি হিদাক লান্ন-লান্নত্নুনা থকই)।

শগোল :— ঐদি শিবু শিনি হায়রবদি হরাওজরে। য়ুমস্থু ইংখোলস্থু করিমন্ত্রা লৈত্রবসিদা কৈদৌরুগবনো ; আরদা কোক কোক্ল, লোইনা তক্লা থাদোক্লমলবনি। ফি মতৎ অমা ফাওবা য়াওদনা লংফৈ লাকলিবসিনি। সৈত্য মাখোইগী মীশিংত্নু লাক্তুনা ফাররবদি ওস্থোকনা মুঙাইশ্রনিদা। অত্নুগা ঐনা করিগুম্বা অত্নুম্না শিঞ্জবদি ঐখোয় থবকশুবা য়াওরিবা মুংশি মুংশিদবা মীশিংসিদা ভূৎ ওন্দুনা লাক্লগা ঐনা তম্নগদবসি।

চাইরেল :— করিগীস্থু পংফা ফারুগবনো, মাখোয়গী ফননবা হোৎনবদদি কসিস্থু তৌরোইরয়ে, অত্নুনা মাখোয়গী মীকা থোরক্তুনা য়াওররিসিনি।

(তাঞ্জা অত্নুদা থবক শুবা নহা অমা থোক্লকই)।

নহা :— (থরা শাউনা অহন্দুদা য়েংলগা) খুরাখোই অমুক ফমলেদনা।

শগোল :— ইবুঙো ঙাইহাক্তা হিদাক ঙাম্বক অমত্তা থকখিগে।

চাইরেল :— য়েংশিল্লক্লত্রা অমুক। ঙাইহাক্তা ফমত্নুনা পোত্থানিঙাই লৈত্রেনে।

নহা :— করিনো খুরাখোয়না হায়বিরিসিবো থবক্তি ত্তিন্ননা শুমিন্নরে। পোকঙৈদগী শক চুম্থু খংনবা নত্তে। অত্নুগা ঐনা শুম শুরগা খুরাখোয়না ফমত্নুনা ব্বারেম ঙাংত্নুম্না লৈবা, কনানা য়াগদৌরিবনো ?

শগোল :— ইবুঙো করিনো নপাশুম্বনিনে।

নহা :— ফমমু হায়বা নত্তে। অহননি মতম চানা ময়াম্না পোথানবা কান্দা খরা কুইনা ফমমুদনা। মীনা নোংমদা পুখি অনি অহুম তৌনরি, ঐখোয়না অমা ফাওবা তৌবা ঙমদরে। করম তৌসি হায়রিবনো? মুমিদাং চাক থোংবা, কোন ফেংবা, শীং থিবা ঐনা পূম্নমক তৌরিদনা। লংফৈ লাক-লিবনি হায়তুনা কোন অমা, ফি অমা ফাওবসু পুরক্তুনা ঐনা অহু পুম্নমক্তুসু খাইবীরেদনা।

চাইরেল :— করিনো ইবুঙো ফি রোলগী মমল থৌরিবরা? ব্না য়াম্না ঙাংখরেদা, নেশা চাবদা —বম্নমুকো।

নহা :— হয়েংমখৈ ঐ ইতোমতা শুজরগে, খুরাখোয়গা তিন্নরম্নুসি।

চাইরেল :— ফৈনে কৈদৌনি। ঐখোয়সু থবক শুদোরক্লবদি মৈনি হায়নরিবনি।

শগোল :— হুমঃ হুমঃ নহাগা অহনগা খৎনহৈদে ফৎতে ফৎতে। ইবুঙো নখোয়সে ইচাগুম্বনি। লাক্লগে, লাক্লগে লৈবাক হাপলমলো, হিদাকসি অমুক'মুক্তা চিংলকখিগে। তম্বা ঙমপোৎ নত্তে নখোয়সে ঐখোয়না পোক্লম্বা ফাওবা য়ারি-পোৎনি। নহা ওইরিঙৈদা ঐখোয়সি ওম্হোক্লা ঙাওরমগ্র-পোৎনি; ইশক ফজবদা ফাওরমলিবনি।

(নহাছু পোলাং পুরহুনা শাওরংননা চৎথ্রে)।

(তাঞ্জা অহুদা মী ময়াম্না তুরেল নিংখাইরে হায়না লাওনরকই)

ময়াম মনুংদগী— "নিঙ্খাইথরে, ঈশিং পাথখরে! হন্দোকউ, হন্দোকউ, মী হন্দোকউ, পোৎচৈ লৌথোকউ!!"

শগোল :— (ফুক হৌগৎতুনা ঙক্না য়েংখোক্লগা) ওঝা, অমুক নিঙ্খাইরে হায়নহে !

চাইরেল :—(হৌগৎতুনা য়েংলগা) ফবে নিঙ্খাইরসনু, নিঙ্খাইরো, নিঙ্খাইরো ও ! হন্নুবী হন্নুবা তাওথরো ফরেদা……।

(ফন ফন চোংই)।

শগোল :— (কংক্র চিংহুনা) হে, সংকর নংনা শেম্বনি নংনা থোকপা তৌবো ঐখোয় খংদবে।

(তোমাল ল্লানা থোক্লকই, উবদা মবান্নিমক ফিভম হনজিল্লি)।

তোমাল :— করিনো ওঝাখোইদি হবাওবীরেনা, লৈরাই নিঙ্খাই-হুনা থবক য়ারোইদৌরে হায়না হরাওবীরমাল্লে।

শগোল :— ইবুঙো বাবু থল্লাইসি ল্লামনগ্গহুনা করিদৌক্লগনো খন্দনা চোংলবনি।

তোমাল :— ইস ! ওন্থোকপা দষানি করম থোক্লগবা।

চাইরেল :— লাই হায়বসি লৈদি লৈবক্তাৎনিকো, ঐখোয়না অতুক য়াম্না ল্লানা, ল্লানা তৌরগা ইরাই লাইনা ফোং ফোং নিঙ্খাইরিসিবু, লাই অমা য়াওহুনা তৌর্রিরনিনে। ঐনা নহান্না হায়জবহুনি ; মঙ্গল ওইনবা অমুক্তং লাই খুরুম-থোকসি, চুরাচ্চাবা থাহুনা মী অমত্তং ফাহনসি অভাংলা, অহনলা অমত্তংদি হাপসি হায়রিসিনি।

তোমাল :— এ, করি ল্লানো ওঝানা হায়বীরিসিবো—।

চাইরেল :— ইবুঙো বাবু অদু নক্লিমখৈ য়ারোইদবনি ঐনা হায়জ-রিবজিল্লি য়েংবীয়ু ?

[মতমত্তুদা নিলো বোই অমা, পেন্সিল অমা পাই-রত্তুনা থোক্লকই। থবক শুবা মী খরস্তু য়োপাক পোলাং-নচিংবা পাইরত্তুনা মরি মরি থোক্লকই।]

চাইরেল :— (নিলোবু উবদা) হরে কৃষ্ণ, ৱাইদকো পৈশাতানবা!

শগোল :— ৱাধে, ৱাধে, শরু শয়াং অমত্তা য়াওদ্রেদনা। পূন-তেক তেকখ্রেদনা তৌরিসিদি·· এ···এ!

(য়াম্না ৱানা মশাত্তু মুক খোংলি)।

নিলো :— ঙসিদি থবক লোইরমদাইদা নিংথাইরে, নহানমখৈদি অহিংদা নিংথাইখিবনি, অত্তুনা ইতাও কমদোৱা তারি half ওইনা পানগদ্রা, full ওইনা পানগদ্রা?

তোমাল :— ইতাওনা য়েংত্তুনা য়াননবা অমদি ফননবা শিনবীয়ু।

শগোল :— ইবুঙো ঙসি ঐখোয়না তৌজবদি পূখিন্র মঙানিকো।

নিলো :— কদাইদগী খুরাখোয়দি ঙসি থবক অমত্তস্তু সুদনা।

শগোল :— করি ৱানো ইবুঙো, ঙসিদি য়াম্না শুখ্রেনে, হকচাং অসি খরা নুঙাই হায়ত্তুনা ঙসিদি য়াম্না শুখ্রবা জাংনি।

চাইরেল :— ঙসিদি "য়াম্না শুই", য়াম্না শুই নহানমখৈ শুরকপদগী ঙসিমুক কম্না শুবা অমত্তা য়াওখিদ্রি, পূন্সিসিদা ঙসিমুক কম্না থবক শুবা য়াওখিদ্রি। অতৈগীদি খংদেকো।

তোমাল :— করিনো ওঝাখোয়দি ফমত্তুনতা লৈবত্তুবো···।

চাইরেল :— করিনো বাবু হায়হৈদেদা, ধৰ্ম্ম নত্তবা ৱানি। থবক মঙ্গল ওইরোইকো, লৌবুদি লৌজরোই ঐখোয় মাংজরগে হায়ববু মীনম শোরিনরগা থবক মঙ্গল ওইরোইনে।

নিলো :— ফরে ফরে ওঝাখোয় থোক্ল থোক্লবা লাক্লনি।

[মধু A. E. থল্লাই ল্লানা থোক্লকই, খর শাংনা হোম্বরগা তোমান্দা য়েংহ্নুনা হায়রকই !]

মধু :— তোমাল করম তৌসিগে, মতমদি শাংনা হৌজিনখ্রে।
অহুবু থবক্তি মওং অমত্তা তাদ্রি। অহুমলক হন্না নিঋাইরে।
ঐদি থবক অসি মঙ্গল ওইগনি হায়বা আশা উরক্রে।
মাসিদা নং ঐনা মকোক ওইহ্নুনা লাক্লেদো অহুবু—

তোমাল :— বাবু ঈশ্বরবু খুরুমজবা হায়বহ্নুনি। মরু ওইবদি
ঈশিংগী অরেপ্পা পুকচেল খংদবা অসিনা খ্বাইদগী খুদোং
থিহনখ্রে। মিকুপ অমগী মহুংদা খংচাও চাওখৎলক্লনা
ঈমাই হেক্তা মান্নে।

মধু :— ঐহাক্তী ঙসি হয়েং অসিগী মহুংদা আদ অমুক্তং থোকউদবা
য়াদ্রি। মেলিটরিগী গাড়ী লাকপদা ঠিকাদারগা লোয়ননা
চংখিবা তারে। পোংচৈ লৌবা ঠিকাদারস্থু চংকনি হায়রি।
ঐখোয়গী, পৈশা মুংশাসিবু সিদা লৌবীহৌগেরা আদা য়ুম
য়ুমদা পিজরম্মুরা? মুহোরিগী থবক অসিনা নিলো বাবুনদা
তৌবীবা উই, বীরদি অমুক্তা উবা ফংদেদা।

শগোল :— বীরবু কেরানিরনে? মাদি নহানমখৈ খুল্লক্তা চংহ্নুনা
য়ু থক্কনতা লৈ। ঐখোয়দি মাবু কেরানিনি হায়বা খংদেনা।

তোমাল :— বাবু বীরসি খরদি হাকমল্লবা জাৎনি। লংকৈ অসিদা
ল্লা য়াম্না ঙাংনরগা ঐখোয় মশেল ফংনরোই হায়হ্নুনা তৌবনি।

নিলো :— বাবু Group A অসি মানা পুবনি ঐ মহুগী পৈশা
মুংশা থোইদোক্লা খঙ্জদে।

মধু:— উম, মাগী মরমচৎ অসি য়াম্না লাল্লে। মওং চারোইদবা মীদি মফম অসিদা থমদবনা কৈ, অমা খংদে অমা খংদে।

নহা অমা:— বাবু ঐখোয়দি মানা পুবা মাইগৈগী মীনি। অহুনা নহালমথৈ তুমিন তুমিন লৈজরকপনি। পৈশা মুংশাগী মরম অমদা, অমদা পূক্লিং অসি ইমুং মুঙাইজদে, হায়জবা ঙমদ্রহুনা তৌজরবনি।

(মতম অহুদা বীরা চংলকই)

মধু:— বীরা নংগী ব্লানি ঙাংনরমলিবা অসি নহাক মফম কদাইদা চৎলুরিবনো ?

বীরা:— বাবু থবক অমা চৎচরুবনি।

মধু:— বাবুদি থবক পুবসু অমত্তা য়াওবীদ্রমাল্লে, মীনা য়াম্না ঙাংনরক্লে, অহুম হায়না তৌরবদি মওং অমা চাররোই।

বীরা:— ঐহাক্না করি তৌরে হায়হুনা ময়াম পংঙাং ঙাংনরবগে ? মীগী মতুংদা অস্নুম্না ব্লা ঙাংনবসি কয়াদি ফজদে।

মধু:— (শাওরপ্পা) তুংদা ব্লা ঙাংনবগী নত্তেনে। মাসিদা ব্লা য়াম্না ঙাংনবগী মরম লৈতে। ইশা ইশানা খংনা চৎনবনা কৈ।

বীরা:— চুম্মী, মাসি লংফৈনি ; মফম অসিদা ব্লা য়াম্না ঙাংনবা ফত্তে। ঐস্নু ঐগী থবক চপ চানা পুজগনি।

নিলো:—বাবুগী Group A গী মরমহু নিংথিনা শেংদোকপিরো।

বীরা:— শেংদোকলি, মাসিদা নিলো বাবুনা অহুক কল্লা য়েং-শিনবীগদবা নত্তে। অদোমগী অহুম তৌবীয়ু ?

নিলো:- তৌরিনে ঐবুদি ; অদোমগী থবক্তু মওং চাদরে হায়-বগী ব্লানি।

বীরা :— ঐহাকপু কলক্কুনা মাংহন্নবগী ব্রা পুম্বা অদোম্না শিনবনি ঐহাক খংজরে। করম্বা নুঙাইতবদগীনো? মমাংঙৈগী মলোম অত্তুস্তু নিংশিংজরে।

নিলো :— (শাওনা) বীরা! নবুক ফত্তবা নংগী ব্রাঙাং অত্তু মফম অসিদা ঙাংগন্নু?

বীরা :— নংনা করি মরমগীদমক্তা ঐনা তৌবা থবক্তা য়েংশিল-লিবনো? নংগী করি নশিল লৈবগে?

মধু :— য়েংশিনফম থোক্কুনা য়েংশিল্লিবনি। বীরা নরমচত্তি মওং চাদ্রগা অমুকস্তু মী খুদিংগী হুই অঙাওবগুম ওনশিন্ ওনশিন চিক্কদৌরি। থবক অসিদা, অসি য়ৌনা খুদোং থিবা তারে খংলে অত্তুগা নংনা করিস্তু খংজিন্নদবা শারি। ঐ খংদে, মী খংদে পুকচেল তিন্নদবা মওং চাদবা মীদি মফমসিদা লৈবগী দরকার লৈতে।

তোমাল :— বীরা বাবুনা হেক লাকপগা অত্তুক শাওগৎপিররিবা অত্তুবু করিগীনো? ঐখোয় মশেল অত্তুম হায়না ভৌনরবদি থবক চৎথবা য়াররোই।

বীরা :— ঐহাক য়াওত্তুনা বাবুখোয়গী থবক কায়রগনি। ঐনা মফমসিদা লৈবগী দরকার লৈতে, ঐ চৎচগ্রনি।

তোমাল :— অত্তুগী নত্তেনে; করিনো খনবীরিবা ব্রাখল অত্তুবো?

বীরা :— ঐহাক হৌজিকমক থবক তোকচখ্রগে অত্তুগা নিংশিং-গদ্দবদি মীনা লাই ওনবা য়াই হায়বসি খক কাওরোই-দবনি, মতম অত্তুদা অচৌবগা মচাগা খেন্নবত্তু খংগনি।

মধু :— বীরা !! (শংত্রিক য়েংই)

বীরা :— মতম অহুদা মীনা মীবু মশক খংগনি। মণিমুক্তাগী যুম্ফমবু মোংফম ওইনা থেংনগনি। (শাওনা থোকখি)

নিলো :— (মুন্না য়েংহুনা তান্নখি) বীরা! বীরা বাবু—

মধু :— (য়েংহুনা হৌনা নোক্লগা) হাঃ হাঃ মপুক ফত্তবা মী হায়বসিনা মতম পুম্নমক্তা ফত্তবগী ৱাখল্দা খন্দুনা সংসার পুম্নমক য়েরুবা ওইহনগে লারুরি। চীংনুং অহুদা চৎথ্রসন্নু হূই অঙাওবা অহু—।

"লাইট"

অহুমশুবা উৎপা

চীংনুং, তুংন তোর্ব্বান; অহিং অাথংবা।

[মীচিক মারাঙখোল তাদনা পুমমম্ মুম্লবা অহিং অহুদা চীংনুংদা হুমিদাং খোংবা শা-উচেকশিংগী খোঞ্জেল তারি। মধু, ঙমচুং (খোংজাই) অমসুং তোমালগা লোয়ননা ঈশিংগী মওং য়েংগদবগী থোক্লকই। ঙমচুংনা মৈরা অমা প্লাইরহুন্না মাং থাল্লি।]

মধু :— (য়েংহুনা] তোমাল বাবু য়েংবীয়ু ঈশিংগী মওং অসি মমাং থংবা তোর্ব্বান অসিবু নিথ্বাইরক্কদবগী মওংগুম উই।

তোমাল :— ঙসিমক নিঙ্খাইরক্কনি হায়নদি খনদেদা ; অহুবু মওং অসিমক ওস্তোক্লা লুনা লৈরবনি। ঈশ্বরব্ খুরুমজবা হায়বহু মঙাইরে। ঙমচুং নহাক্কী খংবসু মরৈরমগনি, ঈশিং অসিব্ করি উপাই লৈরিবগে ?

ঙমচুং :— পাব্ করি উপাই য়েংগদবনো হায়ফম খংদ্রেনে। খুলগী লাইব্ কননা খুরুমজবা হায়বহুনিকো। ঙসিসিদং নিঙ্খাই-দ্রবদি হয়েংদি শোইদনা ময়েং তারগনিদা।

মধু :— তোমাল বাবুনা থবক মঙ্গল ওইননবা, ফননবা শিনবী-রম্মুকো। ঐদি হয়েং অসোমদা অমুক্তং থোক্লুবা তারে।

তোমাল :— ফগনি বাবু, ঐনা ঙম্বমখৈ হোৎনজরমগনি।

ঙমচুং :— পাবু ঐহাক্লা ঙম্বমখৈসু মতেং পাংজনি। উ-য়ানব-নচিংবা মী খুনদগী পীজগনি।

মধু :— ঙমচুং ! মুংশিদা নংগুম্বা নপুকচেল শেংবা অমদি পুক-চেল চাওবা মী অসি অতাংবনিকো। নংনা কয়াদা মতেং পাংলবনো ঐখোয়গী থবক্তা।

ঙমচুং :— পাবু ঐনা পাবুখোইগী মতেং পাংবা নত্তেনে, পাব্-খোয়না ঐখোয়গীদমক্তা ফননবা শিনবীবনিনে—ঙসাই বীরা পাব্গা শাওনবহুদি ফত্তবনিকো ! মহাক্লা কদাইদা চৎখ্রবনো ?

মধু :— ফত্তবা মী য়াওবনা থবক তৌবদা মঙ্গল ওইরোই। মহাক চৎখিসনু মহুনা হেন্না কৈ ; মাহুগীদমক্তা ঐখোয়না করিস্নু চিংনগদবা লৈতে। মহাক্কী থবকসু তোক্লগদবনি।

তোমাল :— বাব্ লেংশিল্লসি ঙাইহাক্তং পোখানহোক্করসি।

মখু :— ফগনি খরা ৱারগনি। (মরি মরি চংখিবা)

[ঙাইহাক্তং ইচিক চিক্লা লৈরবা মতুংদা বীরানা মখুত্তো য়োৎপাক অমা পাইরতুনা চংলকই, কোইরু-কোইরুপ য়েংলকই। অমুকস্তু মচিন্না শোল্লকই]

বীরা :— খংলোইদ্রদো ঐগী ইতিক ! ঙসিদগী হৌরতুনা হিংচাবগী মতৌগুম মখোয়গী মথক্তা ওৎ-নৈগে। হৌজিক লৈরাই অসি য়ানখাইগনি। য়োৎসিনা অমুক অনিরক্তং য়ানবদা নিঙ্খাইতুনা ঈশিংনা মখোয়গী থবক পুন্নমক মাংহনলগ-দবনি। অমত্তং হেন্দোরকসিনু লোইশিনগদবনি।

[ৱাহৈশিং অসি হায়রক্লগা লৈরাই অতু য়ানখাইগে হায়না য়োৎপাক হেক হাইগৎলকপদা তোর্চ-লাইটকী মঙাল অমনা মাগী মমাইদা তারক্লম্মী। মাতুগা লোয়ননা নিলো চংলকই ।]

নিলো :— বীরা নং লৈরমলে। নং কদাইদা চৎলুরবগে, লাকও চৎলসি লাকও।

বীরা :— নিলো, ঐনা মফম অসিদা লাক্লিবসে করিগীস্তু নত্তে, তুরেল য়ানখাইগে হায়না লাক্লিবনি। নহাক চৎথোকউ মফম অসিদা চংলক্কনু।

নিলো :— করি ৱানো ! মশানা নিঙ্খাইবমকস্তু থিংনবা ঙমদ্রি মী অস্তুক য়াম্বনা অস্তুক কুইনা হোৎনরক্লবা ফাওবদা মঙ্গল ওইদ্রি, অতুগা নংনা অমুক নিঙ্খাইহল্লবদি করি ওইগনি। বীরা বাবু ঙাইহাক শাওরুরবস্তু মুন্না খন্দুনা নেমথৌ, ফত্তে।

বীরা :— নিলো ! চৎথোকউ হায়রিবা অসিনি। নংগুম্বনা বীরবু থিংবা নতিক্লা ?

নিলো :— বীরা তৌগন্নু। অরেম্বদা ময়াম চংহুনা ফারবদি অব্বাবা তাগনি।

বীরা :— (নোক্লহুনা) অব্বাবা তাগনি। চংথোকউ য়াদ্রগা নমিং পেন্না য়েংজরো ? (য়োংপাক হাইগংতুনা তৌবা)।

নিলো :- বীরা ! শাগী লমচং চংপা নহাক্লা ঙম্নগা অতুক তৌ।

(চোংশিন্দুনা বীরগা য়োংপাক মুন্নবা)।

বীরা :— (ফি ফি কাম্লহুনা) নহাক অসি ঐহাক্কী য়েক্লবনিকো !

নিলো :— হে, হুই ! থাদোকউ নত্রবদি নথব্লাই মাংগনি !

[মবান্নিমক য়োং মুন্নহুনা কন্না লাক্লরি। বীরনা "নহাক অসি ঐগী য়েক্লবনিকো" নিলোনা— "থা-দোকউ হুরানবা !" থরো থরো ওনবমথৈ লাক্লরবা মতুংদা বীরা নিলোগী খুত্তগী নাম্বোক্লম্মী অতুগা নিলোগী মকোক্তা য়োখোক্লা ফুথরম্মী। নিলো স্বর থিংবগা লোয়ননা ব্লান্থহুনা তুথখিরম্মী।]

বীরা :— (খাক্লা নোক্তুনা) খংবরা অতু……! নংগুম্বনস্থু বীরবু থিংবা নতিক্লা ? য়ানখাইগনি ঐগী ইতিক খংলোইদরা ?

[অমুক হন্না তৌবা হৌরকপদা মৈঙাল অমা অমুক লাক্লম্মী অমস্থং ঙমচুংগী খোঙ্গেলনা লাওরকই।]

ঙমচুং :— "কনানো ? ঙাইখো ঙাইখো……। বীরনা তুরেল নিঙ্খাইরে ! ময়াম পুম্নমক হৌগংনরো ! থংলো থংলো বীরানা তুরেল নিঙ্খাইহল্লে। ময়াম পুম্নমক তুম্বদগী হৌ-গংনরো ?"

[ময়াম য়া-য়া লাওনা চেন্থোক্নরকপগী মখোল তাই, বীরা ফিংনা চেন্থোকখি।]

"লাইট"

মরিশুবা উৎপা

নিলোগী য়ুম, মাঙ্গোল ; নুংথিল।

[লৈরিক ফিশা লোনশাবগী মরমদা হৈ শিংলবী নুপী অমনি। মাঙ্গোন্দা লংচাক চাক্তুনা ফমলম্মী।]

লৈরিক :— (মতোমতা শোনবা) হে ঈশ্বর ইবুঙো, নাদ য়েক্তুনা মঙ্গল শুইহনবীয়ুকো। লুপা চনি থাদোরক্লিবা অসিনা হৌজিক করি করি তৌবা তারিবা ? মহাক্নদি খরনা ফো য়ানশিল্লু অদুগা খরনা ললোন্সেল শুইনৌ হায়রক্লি।

(নিলোনা হায়রকপা চিঠিগী য়াহৈশিং অদু নিলো মশামক্তা মনাক্তা ফমদুনা হায়বগুম্না তারি।)

Behind the scene :—

"লার্লাহি লাইরিক তম্বদা মপুক্লিং চংহল্লু ? নহাক্না হায়নিংবা মরোল পুম্নমক মধু বাবুনা লাকপদা খংহল্লকউ ? ললাবু লাইরিক তম্বদা চৈকশিন্না শেননৌ। কাওগনু ইবা-ম্লিগী থুন্সিগী আশা অদু মহাক্নি।"

লৈবিক্লা মপুক্লিং মুঙ্ঙাইনা ঈশৈ শক্লকই ।

ঈশৈ :—

হুমঃ···হুমঃ···লালা লালা।
মুংলি মুংলিবা আশা
নাবক্তা পোমলিবা লৈরাংও ॥
হায়যু ইনগদবা ইমাগী য়াথং
লৈচিল লক্তা থোকপা থাজও
মনা পুংলবা য়ুমফমগী চারা
ঙালহল্লুকো অমম্বা সংসার ॥
অপিকপা শাগৈগী আশাগী থাওমৈ
হায়যু ইনগদরা ইমাগী য়াথং ॥

হুমঃ হুমঃ লালা লালা।

(মতম অহ্নদা লালানা ফিংনা অমদি পাথংনা মপান্দগী মমাবু কৌরহ্না চেনশিল্লক্সী)।

লালা :— "ইমা ! ইমা !······"

লৈরিক :— ইবুঙো করি তৌরক্লে ? (ফিংনা মচাবু য়েংই)।

লালা :— (চেনশিল্লক্তুনা মমাবু কোল্লগা) ইমা ! ইমা !······

লৈবিক :— কবি তৌরক্লবগে হায়য়ুনে ?

লালা :— ইমা ! পাবা শিরে হায়না লাইরিক পিরক্লে য়েঙু ?

লৈরিক :— (অঙকপনা থল্লহ্না) করি হায়বা !!

লালা : — প্যাবা শিরে হায়না লাইরিক পিরক্লে য়েঙু

(মখুৎল্লা পাইরকপা চিঠি অমা য়েংহনবা)

লৈরিক :— কনানা পীরকপনো ?

লালা :— ইপল তোমালনা পীরকপনি, য়েঙ্ মুক অঙাংবনা ইরিক্সে। শোইদ্রে অঙাংবা ঈগী খুরী শোইস্থ নমলি।

লৈরিক :— কদাই নপল তোমালদি ?

লালা :— ইপলদি লাক্কে; আদগী মানা পীরকপনি ! ঐঙোন্দদি বীরা হায়বতুনা লম্বীদা পীরকই।

লৈরিক :— করি করি হায়বা চিঠিতবু— ?

লালা :—"ইতাও শিরে, থবক শুফমদা খুৎলাইনা শোক্তুনা লৈত্রে ঐস্থ য়াম্মা থুনা থোরক্লগে" হায়রক্লি।

লৈরিক :— ইবুঙো অতুদি ঐ মধু বাবুখোয়দা চত্তুনা অমুক্তা হংলুগে, য়াম্মা থুনা—

(ফিংনা চৎকে হায়না তৌরকপদা মায়োক্কনা বীরা চংলকই। লৈরিক শকফম হায়ফেৎ হনজিল্লি)।

বীরা :— পাউ ফংবীরবরা ?

লৈরিক :— অসিবু মওং করম তৌব্রিবনো অমুক্তা হায়বীরম্মু ?

বীরা :— অচুম্বনি। ঙসিদা ঐহাক থোকচরক্লি। ওভসার তোমানস্থ থুনা লাক্লগনি। থবক শুবদা খুৎলাইনা শোক্তুনা নিলো বাবু ঙসি হুমনি শুরে লৈতবা।

লৈরিক :— ঙসি হুমনি শুরবা ! থবক শুবদা খুৎলাইনা শোক্লবা !

বীরা :— ঙসি হুমনি শুধ্রে।

লৈরিক :— ঙরাংদা মধু সাহেবনা লুপা চনি পিরক্লি, আনা অয়েক য়াওদে হায়রক্লি।

বীরা :— লুপা চনি পীরক্লবা।......মাদি খংলোই, কুইরে মা থোকখিবা।

লৈরিক :— ইস! মহাকপু খুংলাইনা শোক্তুনা শিন্নবা, ঐদি করম্না লৈহৌগনি ইস, মাংলেদনা! (মথল্লাই শোক্না মচাবু চেংনা কোনশিল্লগা) ইবুঙো! ইমা ইচাবু হুন্দোক্লমলগা নংগী বাবা চংশ্লে, লালা, কদাইদা মাংশ্লে হৌজিক্তা ঐগী থম্মোইগী তোর্ব্বান্দা তাংথক নাইদনা ইহৌরক্লম্বা আশাগী ঈথক অত্থু কদাইদা মাংখ্রে!!

[মচাবু কোন্দুনা ও-খোংনা কপই]

"লাইট"

মঙাশুবা উৎপা

লম্বী; অহিং অথেংবা।

[বীরনা মাগী খোংলোয় অনি অহুমগা লোয়ননা অচিকপা ল্লা তান্নরম্মী; লম্বীদা চংনা চংনা ল্লারী শারি।]

বীরা :— পোংচৈ পূম্নমক্তু চেকশিন্না থমলিকো।

খোংলোয় :— চেকশিন্না থমজরি।

বীরা :— হায়নখিবা মুমিৎ অত্থু ঙসি নত্রা?

খোং :— মানি ঙসি অসিনি।

বীরা :— ঙসিগী অথেংবা অহিংদনা মাহু পাংথোক্কদবনি।

খোং :— ফগনি তপ্না-তপ্না মথং মথং অস্মুম লোয়শিনবা হায়বহুনি।

বীরা :— থিম্নবা য়াবা নত্তে। অরোনবা থবক্কি। লংফৈদা লৈপ্রিবা অহুনা পাও ফংদ্রিঙৈদা। করিগুম্বা ফংখ্রে হায়বা তারগনা মাবু লম্বীদা লোয়শিনগদবনি।

খোং :— মমা মচানদি শিখ্রে হায়না চপচানা নিংলবনি। হৌ-জিক ইমুংগী পোংচৈস্থু তুমনা লৌরে অসিনবু ওক্লবনি।

বীরা :— অসি পূন্নমক্না ঐখোয়গী থবক মপুং ফাদ্রি। ঐগী লমন খুম্বা লোয়বা নত্রি। ঙসিগী হুরানবা চংবদি ঐহাক ইতোমদা চংগদবনি। নখোয়না মপান্দা গার্ত।

খোং :— ফগনি!

বীরা :— ঐহাক্না লৈরিকপু হুহুনা ঙম্লনবা পুথোরক্কনি। য়াদা য়াদ্রগা মনা মনিল নাহদনবা খুদক্তা লোইশিল্লমগদবনি মমা মচামক।

খোং :— চেকাশন্না হোৎনবায়ু। মঙং চারোইদবা লৈরগা ঐখোয়ন্সু য়াওজগে।

বীরা :— পোৎ লৌগদবা নত্তে। মাখোয়গী ইমুংদা করিস্থু লৈত্রে হৌজিক। য়াত্রা-য়াদত্রা অহুমতা হংলগা, য়াদে হায়রগা থাংকক অমুক্তনি। মতম ওইশিল্লক্লগনি থবক মখা......,

[পরেং শানা থোকখিবা]

তরুকশুবা উৎপা

নিলোগী য়ুম, ইমুং ;   অথেংবা অহিং।

[ইমুংগী পোৎ-চৈমখৈ তুম্না হুরানবীখিদুনা অম্নাবা তারবা মমা মচানা ফম্লদুনা লৈরি। মুংলি মুংলি থাল্লিবা থাউমৈ অদুদা মুম্না ৎয়ংলি।]

লালা :— (চাক য়াম্না লাম্না) ইমা, চফুদা চজিক করিমত্তা ফাওবা লৈহৌদ্রবরা ?

লৈরিক :— ইবুঙো নং য়াম্না লাম্লবরা ? হয়েং নোং ঙানবগা ইমানা চৎদুনা ননেখোয়দগী চেং লৌরুরগে অদুগা চারোবা।

লালা :— ঐবুদি লামদেদা নংবু লামদবরা হায়বনি।

লৈরিক :— ইমাগীবুদি ব্লারুস্ত। চারা অমত্তা নত্তে, চারা কয়া হেন্দুনা ইচাবু থাক্কদোরিবনি।

লালা :— ইমা ঐখোয় চারা য়াম্না হেনবা ভারেদকো! পোৎ-চৈ পৈশাকাস্তু অমত্তা থাক্তনা হুরানখ্রবনিনে।

লৈরিক :— করিম্বী ইচাবু চারা হেল্লুনি ইমা লৈরিবা অসিদি—।

লালা :— ইমা চাক লৈহৌরিব্রা চফুদা— ?

লৈরিক :— ইবুঙো, নংবু য়াম্না লাম্লব্রা ?

লালা :— ঐবুদ লামদেএ নংবু লামদবরা হায়বনি।

লৈরিক :— ইবুঙো ইমাগীবুদি করিস্তু খল্লুপস্লুনে। ইচা থুনা চাওরগা লোয়রে।

লালা :— ইমা থাউমৈ অসি থাও য়াওরক্ত্রমাল্লে মমথরক্লে।

লৈরিক :— থাউ য়াওদ্রমালে মমথরক্লেদো। ও, অসিনিকো

পুন্সিগী মিকুপস্থু। মুৎলমদাই থাউ য়াওরক্লবদা মমথয়ক-পা। অমমবা অহিংদা ঙস্সি ইমা ইচানা মম্নি শাম্লবা মৈক্তান্দা য়েংচুনা লেনবা কাওররোইকো পুন্সি চুপ্পা! (কপ্ল-চুনা) ইঃ ঈশ্বর! মৈরা আসনা মুৎখ্রবদি কমদৌগনি হে প্রভূ অহিং অসিমতদি লেংদনা ঙালহনবীয়ুগবা। য়াররোই ক্রে-ক্রে হাইরক্লে! লালা ইমাগী ইবুঙো করম্না লেনগদগে ইমা ইচানা লালা?

(মচাবু চেৎনা কোনশিল্লি)।

লালা :— ইমা অসিগুম্বা মৈ অসি মুৎচখিসম্লু। হয়েংদি অসিদগী হেন্না ঙানবা অমা চুথৎকনি! য়েঙু ঐনা শেম্বা মৈম্নি অছু; নহাক্না শেমউদা হায়য়ু, ঐ শেমগে। ইমা চফুদা চাক্তি য়াওরম্লরোইকো খজিক্তা ফাওবা।

লৈরিক :— ইবুঙো নংবু য়াম্না লাম্লবরা? ঙাইহাক্কুং চত্তুনা চেং অছু লোরুখিগে নং লৈরমগেরা?

লালা :— তোক্লসিদা লৈহৌদ্রবদি। ঐবু়দি লামদে নংগীদমক হায়বান।

লৈরিক :— খংলে ইচা ব্লারম্লগনি। করি উপাই তৌসিগে?

(হৌগৎতুনা ইমুংদা কোয়েং য়েংই)

লালা :— মখোয়গী চেং অয়েনবা অছুবু খরা খরা য়াম্না পিয়ু হায়বা য়াদবরা? মাখোয়সিম্নু ওম্বোক্না লিকখরেদকো হয়েং লোবগী তারিক থোকই হায়বদাই। হয়েংদি ঐ চৎলগে খরা য়াম্না পীয়ু হায়বা য়াদ্রগা খৎনগে খংগনি।

লৈরিক :— ইবুঙো শাওনিঙাই করিস্নু লৈবা নত্তে। ঐখোয়দা নত্তে মতম' অসিদা ঐখোয়গুম্বা মী কয়া কয়া চাবা ফংদ-ত্তুনা অল্লাবা তারিবনি। মাসিবু সরকারনা উবীরিবসি কয়াদা মমল য়ামপ্লবনো, নত্রবদি ঐখোয় কয়া ল্লারমগবা।

লালা :— ইমা ঐদি লাইবিক তমদবা তাবেনেকো।

লৈরিক :— তমগনি, খুদোংচাবা অমত্তং য়েংখিগে তৌবনি। ইচা লাইবিক তম্বা লেপ্পা য়াবা নত্তে। ঙসি নিনি হুমনিসিগী মনুংদা তাদা তোমাল থোক্লকপা য়াই হায়রি অত্নগা ল্লা পুম্বা মেন তাবগনি।

লালা :— হুরানবসি কন্মানো মশক খংনিংখ্রেদা, ওন্থোক্লা নুংশিখি-দ্রেদা। ঙসিদি ফৈ অমত্তা লাকসনু থাং অসিনা য়ানগদবনি

(থাং অমা পাইত্তুনা শিংঙ। তুমনিংঙকপগী মঙংদা মমিং অত্ত উইথবম্মী। হকাম লাওনস্নু চনলম্মী মমাদা অমুক—)

লালা :— ইমা নং তুমনিংলক্লব্রা ?

লৈরিক :— তুমনিংদে নং তুমনিংববা তুমলো ?

লালা :— ঐবুদি তুমনিংদে নংবু তুমনিংদববা হায়বা।

লৈরিক :— তুমনিংলগা তুম্মুচো ইমা লৈরি কবি তৌগনি।

লালা :— নং তুম্মু ইমা। ঐ নংবু শংগে। ঐদি হয়েং নোং-ঙাল্লগা তুদ্বস্নু য়াই। নংনা চাক থোংলিঙৈদা। (অমুক হকাম চল্লি)।

লৈরিক :— (মতৌহ্ণ উবদা) ইবুঙো নং তুম্লো, তুমনিংলমাল্লে। তুম্মু করিস্নু তৌরোইনে।

লালা :— ইমা নং হুরানবা হেক চংলকতৌর কান্দা ঐবু হৌ-দোরকউকো, থাংসিনা হেক্তা য়ানগদবনি। মাখোয়গুম্বনস্থ অমুক লাকখিগনি চেকশিন্না লৈরম্মু কোকা হায়রম্বা শারি। মুপা ঐ অমা লৈরি হায়বসি খংদমাল্লে। ইমা নং মাখোয়না চংলকতৌর কান্দা ঐবু হৌদোরকউকো।

(মমাগী নাক্তা তুমথখরে)।

লৈরিক :— হৌদোরক্কে, হৌদোরক্কে।

[তুমিন লৈরম্মী ইচিক চিক্লম্মী। লৈরিক্না মচাদা কাং চিকপনচিংবা হুনদোকপিরম্মী। অমুক মপূক্লিং হুং-শিনা শোল্লকই]

লৈরিক :— পম্থংফম খংদরবা ইথক-ইপোম মরক্তা পূন্সিগী ব্না-থোক্লা তাওরি। অরেপ্পা নাইদনা থেংনরি অব্লা-অনা। নোংমনা অমম্বা অহিং শুক্লবা নারক মোংশোং, নোংমনা মণিমুক্তগী মিৎ থক্লবা মঙাল। ইমা ইচানা তমথিরবা সমাজগী মীৎয়েংখাদা করম্বা পূংজা ফাওবা খাংবা তারিবা ? পোৎ-চৈ অমত্তা খাক্তবমখৈ হুরানবীশ্রে, অতুগা "অমুকস্থ লাকখিগনি চেকশিল্লু—" করি অমুক লৌবা লাকখিগনি। খংলে, কলক য়েংথিবা ; অপাম্বা, হে হুরানবা নহাকপু ঐগী পূক্লিংনা থাজেকো।

[তাগ্না অতুমক্তদা কাচিনগী মরুম অমদগী ইখং খং-হৌদনা বীব্না হুরানবগী অরোনবা ফিজেৎ শেৎলহুনা মথুত্তা থাং অমা পায়রগা হৌগৎলকই]

বীরা :— মানি, হুরানবা অদু নংগী পূক্লিংনা থাজদ্রিবা ঐহাক্তি।
লৈরিক :— (ইচক ঙক্লা) হুরানবা ! কনানো নহাক ? (ফিংনা হৌগৎলি)
বীরা :— মানি হুরানবা অদু ঐহাকনি ; য়েঙু মশক খংবরা ?
লৈরিক :— নহাক হুরানবা (মচাদা)— লালা লালা...!!
বীরা :— তুমিন লৈয়ু নিনখোংগন্নু ব্রা অমা ফাওবা ঙাংগনু ! ঙসিনা নংবু হুবা লাক্লিবনি। মাং থাহ্নুনা চৎলু নত্রব্দি থাং অসিনা খুদক্তা নঙক কক্তুনা হাৎকনি।
লৈরিক :— (মশা নিক্লা) ভৌবীগন্নু ইমুংগী অরৈবা পোৎমখৈ পুখিখো, ঐগী থব্লাইতদি খাকপিরম্মু, পিক্লবা অঙাং অমা লৈরি।
বীরা :— ব্রা অনিরক হন্না ঙাংগনু, নহাক্তবু হাৎকে হায়না লাক্লিবনি খংউ। [খুদক অতুমক্তদা চোংশিন্দুনা হুপীত্নগী মখুদাং পায়ব্রে। খুদাংদগী--মকোক্তী মশম পান্নরক্লনা থাংচু হায়গৎলক্লে] হায়বা ইন্দ্রবদি নথব্লাই লৌগনি।
লৈরিক :— (হৌনা লাওরকই) ঐহাক্কপু থাদোকউ ইমাগী ইবুঙো লালা ! লালা ! হুরানবা চংলে...হুরানবা চংলে !
বীরা :— তুমিন লৈয়ু ! হুমঃ হুমঃ (নোক্লগা) কনা লাক্তুনা নংগী নথব্লাই কবাখিনি নিংই ; চংলু মাং থাহ্নুনা ?

(মশম লাক্তুনা শোরো শোরো চিংই)

লালা :— (অফিং অফাই ওইনা হৌগন্নুনা) ইমা ! ইমা !
লৈরিক :— লালা, ইমাগী ইবুঙো।

লালা :— (মমাগী নাক্তা চেনশিল্লগা) ইমা হুরানবা চংলবলা ?
হে হুরানবা ঙাইখো—

বীরা :— অঙাং তুমিন লৈয়ু লাংগমু—

লালা :— হে ইমাবু থাদোকউ নত্রবদি নথল্লাই মাংগনি।

বীরা :— (অঙাং অহুদা খোংনা কাওরহুনা) করি অঙাং খবরা ?

লৈরিক :— ইমাগী ইবুঙো, মাংলে, মাংলে !

বীরা :— হে তুমিন লৈয়ু— [অমুক হন্না চিংঙি। লৈরিক্লা চংলোইদবগী লাক্লরি। লালা হৌগৎলকই। লৈমাইথক্তা মখুৎনা কোইনা নারকই, মহাক্কী থাং অহু থেংনৈ চেকশিন্না পায়থৎলহুনা বীরাগী তুংলোমদা লোন্না চংলক্কুনা য়াম্বরে, বীরা লেপ্পা ঙমদ্রহুনা তুরক্লম্মী]

লালা :— খংব্রা অহু ? (অমুক্কা হন্না হায়গৎলকপদা মমানা হোৎচিল্লক্কুনা ফারে)।

লৈরিক :— লালা !

লালা :— ইমা ! (মমা মচা চেৎনা কোনশিন্নরে। হুরানবহুদা য়েংলগা) হুরানবা ঐবু খংদমাল্লে।

লৈরিক :— মাংলে ইমাগী ইবুঙো—

লালা :— করিগী ? হুরানবদি হাৎতোক্কদবনি। আই : ঈবু থোকইনহে, ইমা ঈ অসি থক্লগে চাক লামলিবসি ফননবা।

লৈরিক :— ইবুঙো মাংলে নোং ঙাল্লবদি মীহাৎপগী দণ্ডি অহু ইমা ইচাগী থক্তা লাক্লগনি। মফম কদাইদনো জীব হিংননবা চেলহৌরসি। হৌজিক ঐখোয়গীদমক্তা কনা লৈত্রবনি।

লালা :— কৈশু তৌরোইদা ইমা পাখৎকন্নু নখোই মুপীগী হৌনবী, হুরানবা ফাবদবু—

লৈরিক :— নত্তে। ইবুঙো তুমিন্না লৈয়ু ইমানা হায়বা ইল্লু-নোং ঙানদ্রিঙৈদা মফম কদাইদনো জীব হিংনবা চেলহৌসি লাকও ইমাগী তুং ইল্লকউ— (ফি-রোল খরা য়োমশিল্লি) ইবুঙো লাকও খোংলৈ থুসি নোং ঙানবনা হানখিনি।

[চৈশু অমা পায়রগা অমম্বা অহিং অহ্রদা মমা মচাহু খুংশম্ননা থোকখ্রে। ঙাইহাক্কী তুংদা হুরানবহু জ্ঞান লাক্লম্মী, তপ্পা হোগত্তুনা কোয়েং লেংলক্লম্মী, অমুক ফিংনা ইথক থক্কৎলি, মকোক ঙাওরকই, চৈনাখোল ফংলকই, তুথখি]

"লাইট ওফ"

ড্রোপ

অনিশুবা অঙ্ক

অহানবা উৎপা

লম্বাইগী অথপ্পা মচি অমা ;   মুমিদা ৱাইবম।

[মুমিৎ কয়ানি মফম খৎদনা লেনখ্রে। মতুংদা লৈরিক মমা-মচা মফম অতুদা থুংলম্মী। অহিং ভুমদবা চাদবনা চোকথরবদা মঙম ইপাং পাংলমদে ; অমোং অকায়না ফিজেংনরতুনা, ফিবোনগী পোংয়োম মচা অমত্তুং য়াওরি। মমানা মচাদা, মচানা মমাদা য়েংনবি।]

লালা :— ইমা লম অতুবু কয়াম্না ৱাংলিবগে ? তাংদাংবস্মু খঙ্দ্রবা। ঙসিদি য়াম্না ৱাখরে। উ মখোং অসিদা ঙাইহাক্তা ফমখিসিনা।

লৈবিক :— ইবুঙো ঙসিদি চান থরুবা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা ফংখিদ্রবা আসদা ইচা ৱারম্লগনি। ঙসাইগী খুল অতুদা চংলম্লবদি ফগদবনি। আদা অথাপ্পা চীংয়া অসিদা খুল অমখক্তি তাবা উরি মসিদা চংলসি।

লালা :— ইমা নংগী নবুং থোকপা অমা লৈখি হায়বদাই অতুগী লৈফমবু অশেংবা খঙ্দ্রবরা ?

লৈরিক :— ঐস্মু জ্ঞান মমাল। মতম্না য়াম্না শাংগ্রবসিদা। ইমানা অঙাং ওইবিবৈদা নপুংবোক্তা পুতুনা অমুক্তুং চংখিবনি। সুম হংখিবা হায়বতুনি। লম শাংনা চংলকপা অসিদা নং ৱাররিগনি, ঙাইহাক্তুং পোথাসি ফম্মু ?

(উ মখোং অমদা মমা মচামক ফমথৈ)

লালা :— ইমা ঐহাক চহি কয়া শুরবগে ?

লৈরিক :— চহি তরানিথোই শুরে, করিগীনো ?

লালা :— চহি তরানিথোই শুরবা— অদুদি ; চহি অহুম মরিদং লৈরবদি ঐ পাখং ফারনিকো। ইমা নং ব্লারুগন্নু ঐনা পাখং ফারবদি নং করিমত্তা ব্লাহল্লোই।

লৈরিক :— উম: ইচা চাওরবদি ঐনা করিগী ব্লারুনি। নং চাওরগা লোয়রবনি।

লালা :— ইমা হুব্রানবহু শিরমলদ্রা ? শিরমদনা তোক্লদ্রা।

লৈরিক :— তুমিন লৈয়ু ইবুঙো মাহুগী ব্লাহু অমুক হন্না ঙাংলগন্নু।

লালা :— ইমা ঐ য়াম্না তুম্নিংলক্লে, ঙাইহাক্কং তুমগেনা।

লৈরিক :— তুম্নগন্নু ইবুঙো ন্নুমিং তাখিবনা হাল্লগনি। ঙাইহাক্কং পোত্থারগা অমুক চত্তুনা খুলসি য়ৌহৌরসি। ইসে, ঙসাইগী চুজাক অহু মতেক অমদি য়াওখিবনিনে, সিদা লৈরে সে সি চারো অহুগা অমুক চংনবা তৌসি।

(ফি মরক্কগী চুজাক লৌথোক্কুনা পি)

লালা :— (লৌরগা) ইমা নংদি চারোইদরা ?

লৈরিক :— ইমাদি ওক্লে নং চাও।

লালা :— ঐবুদি ন্নুপানিনা ব্লাদেদা ; নংবু ব্লারোইদরা হায়বনি। (লম্বীরোমদা য়েংথোক্লরগা) ইমা, য়েঙু আদা লাক্লিবসি থোকচোমগী মাম্মা মনি মান্দ্রা ? কদাইদা চৎলুরিবনো ?

লৈরিক :— (য়েংলুরগা ইফিং ফিংনা) মানি, ইবুঙো করম তৌগনি লম্বী অসোমদা লাক্লে ; মহাক্লা থংখবদি ইমা

ইচা শোইরগনি। কদোমদা কদাইদা লোৎকনি। (ইপা পাখৎপা)

লালা :— (থওইদনা) পাখংকন্নু ইমা। করিগু তৌরোই। ফনবু ফরে মা লাকপসি য়ুমগী পাও তাননবা।

লৈরিক :— নত্তে, নত্তে ইবুঙো। ঐখোয় লোন্না চেল্লক্লিবনি কনাগুম্বা অমা খংহনবা য়াবা নত্তে। নারক অসোমদা লোৎহৌসি ইমানা হায়বা ইল্লু?

লালা :— মাতুনা হেন্না ফৎলরোই। মাগী পূক্লিংদা অমুক হেন্না চিংনবা পোক্লনি। মাস্থু ঐখোয়বু ঙসাইনা উরম্মনি। য়ৌরক্লে তু— চেন্দুনা কান্নরোইদবা অসিবু করি তৌরুগনো হেক্তা থেংনরগা লোইরে। কৌবু কৌরগেনে ও, মাম্মা,— থোকচোম মাম্মা!

[লৈরিক্না তৌফম খংদনা লৈরিঙৈমক্তদা, মনি লল্লাইদা চংলুবগী মওংদা পোৎ-চৈ ময়োম অমা পুরক্লুনা, চুশাং অমা মখুৎ নাম্মনা পায়রগা চংলকই। মমা মচাবু উবদা মহাকস্থু ওক্লা কৌরকই]

মনি :— হায়মা, লৈরিক!

লৈরিক :— তাদা।

মনি :— করিনো নমা নচানা তৌরিবা মওং অসিদে?

লৈরিক :— তাদা, লাইবক থিরবা ইমা ইচাবু তাদনা অমুক্তদি কনবীয়ুকো।

মনি :— করি তৌরবগে নখোয়বু ঙাওরবরা? লৈকাই-অহুদা

য়ুমলোন্নবুনা লৈমিন্নরগা সেনি মাইনি হায়বা ব্রা অমত্তা হায়রমদনা তুনিন্না অহিং হোগৎলগা চৎখ্রিবা অত্তুবু করি-গীনো ? ঐখোয়স্থু লৈবা উদে হায়না ইমুংদা চংবুনা য়েংবদা ইহাং হাংনা লৈরম্বত্বুদা করিনো হায়না ইঙক ঙক্করে। নত্তে, নখোয়বু হৌজিক কদাইদা চংলবনো ?

লৈরিক :— তাদা মফম থংদ্রে অঙাং অসিমগা কদাইদনো ?

লালা :— মাম্মা নোঙাল্লগা নখোয়না ঐখোয়গী ইমুংদা য়েংবদা মী কনা কনা লৈরম্মী ?

মনি :— কনা অঙত্তস্থু লৈরমদে ইমুং অত্তু ইহাং হাংনা থোং ইরাও লাওনা হাংদোক্কুনা লৈরম্বা অদুদা ঐখোয়দি ঙক-পনা খম থেংথ্রবনি।

লৈরিক :— (মচানা মখা তাবক্লদ্রা হায়না মরক থংলকই) আঃ তাদদি কদাইদা চৎপিরুবনো ?

মনি :— ঐবুদি অসিদা থবক অমা চৎলুবনি। নত্তে, ইবেম্মা নংনা খল্লিবা ব্রাখল অত্তুবু করিনো লংফৈগী অশি-অনাগী পাও অত্তস্থু তাংদাংবা অচুম্বা থংবস্থু নত্রি। খংননবা হোৎনগনি। করিগুম্বা লৈখিদবা ওইরম্লবা ফাওবদা কবিগী অত্তুক থম্মোই পিকথরুনি, নচাম্নুপা অমা লৈরি কৈরোল লৈকাই ঐখোয় অস্থুক য়াম্না লৈরিবসিদি

লৈরিক :— তাদা, করি হায়গনি, নচনগী লাইবক অসি ওম্মোক্লা থিনা তত্নমথ্রবা হায়বত্বুনি।

মনি :— করি ব্রানো মীওইবগী দষাবু অত্তুদরা ? মীওইবনা

হিংতুনা লৈবা হায়বসিদা অন্না-অনাগী ঈথক লোয়বা নত্তে।
ময়ুম তুম্না মৈ চাকপ্রবা মী কয়া হিংতুনা লৈনরি।

লালা :— মাম্মা ঐখোয়গী য়ুমদা হুরানব অশিবা অমা—

লৈরিক:— (মরক থক্তুনা) তাদা কামু হায়বা মৈতৈগী খুল অতুনা লৈরিবসি অসোমদা নত্রা ?

মণি :— মানি অসোমদনি।

লৈরিক :— মফম অতু য়োৌগদবা কয়াম্না ব্বাংলি, মমদ্রিভৈদা য়োৌবা উম্নোইদ্রা ?

মণি :— ফনা য়াম্না ব্বাংলি, চীংথক্তা ফনা শাংনা চৎলি। করিগীনো অতুদা চংকে থল্লিত্রা, মরি মতা কনা লৈবগে ?

লৈরিক :— করিস্তু থোইদোকপা লৈত্তে।

মনি :— অতুওইরবদি চংলুরগনু ইবেম্মা, ঐ থেংনরিভৈদা য়ুম-লোমদা হল্লসি লাকও।

লৈরিক :— তাদা ঐহাক মফম অতুদা অমুক চংলরোই। নচনগী তুংদনা য়েক্লবনা থাং-তাগা লোইননা তান্নরক্লি, মাংদনা অমম্বা লম্বী তিংথংগী নারক। তাদা ঐহাক্না অম্তুনা মাইগী অসোমদা চৎখি হায়বসি কনামতুদা তমথোকপিরক্কনুকো, অসিমত্তদি নিজরি।

মনি :— হোজিক্না কদাই য়োৌগে থল্লিবা। কদাইদা মরি মত্তা কনা লৈগনিবা ?

লৈরিক :— মফম খংদ্রবনি, অতুবু কামু হায়রা খুল অতুদা ঐ-খোয়গী ইপুনগী মচা ইবুং অমতং লৈখি মহাক্কী মনাক য়োৌননবা চৎলগে।

মনি :— অতুদি মওং করম তৌসিগে, মতমসু থেংজিনখ্রিনি।
লৈরিক :— তাদা য়োবীরো থেংখ্রগনি।
মনি :— অতুগা নখোয়না করম তৌহৌবা?
লৈরিক :— ঙসি চীং অসিমত্তং লাম্হোকহৌগে নিংলি।
মনি :—হুমঃ মতুদি ফত্রে। মুমিংসু তাখিদোরে অতুনা হয়েং নোঙাল্লগা অমুক চৎলো ঙসিদি ভুখেলদা চংহুনা লেকখ্রো, ঐগা খংনবা মী লৈ।
লৈরিক :— তাদা মাতু তৌজররোই, ঙসি চীং অসি লাম্হোকহৌরগে তাদসু থেংখ্রনি য়োবীরো?
মনি :— ফরে নংনা য়াত্রবনিনা মাতু মঙাইরে। ঐসু করিমত্তা য়াওরক্কে, চু-সি লৌহৌরোসে— (মহাক চৎখ্রে)
লালা :— ইমা চু অসি চাহুনা ঙাইহাক্তং ফমখিসি খোং অসি য়াম্না নারক্লে।
লৈরিক :— থেংখরে ইবুংঙো মতুগী মতম নত্রে। চৎন-চৎনা চারো।
লালা :— ইমা য়াম্না ন্নারে ঙাইহাক্তা ফমখিসি, ঙল্লিদা।

(ফমথরে, মশা অতু মুম্থরে)।

লালা :— (উইথ উইথনা) ইমা য়াম্না তুমনিংলে কোম্না চারগে।
লৈরিক :— ইবুংঙো ম্নারবদি নং তুমলম্নুবা ·········

[মচাগী মতৌতুদা কম্না হায়বা ঙমত্রে। মহাকসু ন্না-মনবনা মখুৎ মখুউদা লোম্নহুনা উইথরম্মী। তাঙ্গা অতুদা খংহৌদনা বীরনা নিপা অমগা লোইয়ননা চংলকই]

বীরা :— লৈরিক !

লৈরিক :— (অকিবা কংনা য়েংলুবগা) নহাক !

বীরা :— মতম পূম্বদা নহাকপু চেকশিন্না শেন্নরিবদি ঐহাক্তনি।

লৈরিক :— (হৌগত্তুনা) লালা ! লালা !

বীরা :— লালা ! (মমাগী নাক্তগী ললাবু মশা পায়রুনা চিংখৎলি)।

লালা :— (ইফিং ফিংনা) ইমা !

লৈরিক :— লালা— (মচাগী নাক্তা হোৎচিল্লি)।

বীরা :— চৎথোকউ, হন্দোকউ (খাইদোক্নে। অঙাং অদু খোং- লোয়দা পী। লৈরিক্কী খুদাং চেৎনা পায়রুনা চিংথোকই) ঐনা নংবু মফম অসিদা পুনবগীদমক্তা মতম কয়া চংনা হোৎনখি। ঙসিদি নশানা য়াহুনা, নখোংনা থোংনা মাং থানা চৎচরয়ে।

লৈরিক :— ঐবু থাদোকউ ইমা ইচা কায়নহনবীন্নু।

বীরা :—তুমিন লৈয়ু—

লালা :— ইমা, ইমা ! ঐবু থাদোকউ !

লৈরিক :— লালা ইমাগী ইবুংঙো—

লালা :— ইমা ইমা—

বীরা:—লাংগনু লাওহুনা কান্নবা নত্তে খংজো অপংবী।

লৈরিক :— লালা ইমাগী ইবুংঙো—

[নাকল অমদনা লৈরিকপু বীরনা ফারি। নাকল অমদনা খোংলোয়না লালাবু ফাজিল্লি]

বীরা :— (থাং অমা শত্তোরক্তুনা) তুমিন লৈয়ু মতম কয়াদা

নহাক্কী লরুফম ওইরম্বা অদু ঐহাকনি। ঙসিম্মু লকনৌ। অথাপ্পা লংফৈদা নপুবোইবা মথল্লাই লৌরম্বা অদুস্সু ঐ-হাক্নি। লম হেনগন্নু থাংকক অমুক্তা নশাগা নঙককা তোঙানগনি।

লালা :— (ফ্রং ফ্রং চোংতুনা) ইমা, ইমা। ঐবু থাদোকউ, করিগী নখোয়না ঐবু ফাজিল্লি।

বীরা :— (খোংলোয়দা) নিলখোংবত্তু তানিংদে। অঙাং অদু ময়াদা ফিবল নল্লগা অতুকপা চিংলর্ক অসৌমদা পুশিনখো। লম হেঙ্গিল্লক্লগা মচেৎ মচেৎ কক্তুনা শা-কৈগী চিঙ্গাক হুন্নৌ।

খোং:— ভুমিন লৈয়্যু অঙাং লম হেনগন্নু।

লালা :— ইমা ইমা—

লৈরিক:— লালা ইমাগী ইবুংঙো—

খোং :— লম হেনগন্নু লাত্ত অঙাং— (অঙাং অদু পুশিনখি)।

লালা :— (মন্নুংদগী) ইমা! ইমা! (খরা খরা তামখি)।

লৈরিক :— মাংলে, মাংলে! ঐদি মংলে—

[খোঙ্গেন নিক্লা ফ্রং ফ্রং চোংতুনা মচা পুশিনখিবা মাইগী অদোমদা য়েংলি। অমুক্তং হৌনা "ইমাগী ইবুংঙো!" হায়রল্লগা কাপ্পখি]

বীরা:— (হৌনা নোক্লতুনা) হা! হা! — মচা কায়নরবা শৈজি অমোম্না লম্মৈরক্তা চৈন চোংজবা অদু শাদানবগী মিত্তদি মুঙাইরবা কুম্মৈনি। লমনশিংবগী নিংবা থুংলবদা ঐহাক্না থাক্লা থাক্লা নোক্কদবা ......। লাও নপুন্সি চুপ্পা চীংলর্ক

অসিদা ফমহুনা নচাবু কৌরগা কপচহৌরোলাও ......
নিলো লমশি শিবা নমংদা মংজোহে—
[লৈরিক্কী মথুং পায়হুনা অংভাঙ্গা অমদা চিংশিনখি]

"লাইট"

অনিশুবা উৎপা

চীংলক হান্নগী মফম; অয়ুক অঙনবা।

[ইচিক চিকপা মতমনি। চীংগী উচেক-ব্রায়াশিংগী মখোল তারি। লৈরিক্কা মশম মনা ইফা ফানা, নুংদা থেংজিন্নবগী মকোক নরু কায়রহুনা জ্ঞান তারকপদা মচা থিবা হৈরক্লে।]

লৈদিক:— (হিক্কা হিন্না কল্লহুনা) কদাই, ঐগী ইচা কদাই—? মমাগা মচাগা কায়নহনবীগনু— লালা ইচাগী নুংশিরবা শকফম তাইবংসিদা উবা ফংলবোইদো। ইমাগী ইবুঙো মাংলেদকো। মমি শামিবক্লে সংসাবসে পূন্সিগী পূংজা লোয়বান। থব্রাই য়াওব্রবা ইচাগী অশিবা হকচাংনা মফম কৈদা লৈরমগবা? ইচাগী অশিবা হকচাংহু অমুক্তা য়েংজুগে কদাই? পাপ চেল্লবী ঐহাক্না অয়ুক্কী অচিকপসি থুগাইরেব্রো পুন্য চেল্লবী নিংথিরবী লমদম অসিবু য়োংফমগী মশক ওইহল্লে। ঐহাকপু মৌশিন বীব্রোবা ঈশ্বর, ঐহাকপু

লৌশিনবীরোগবা·········।

[মতম অসিদা চীংলক্তুগী উ-পাম্বী অমা য়াম্না কন্না-কন্না নিক্লকই। লৈরিক্না মাতুদা য়েংলগা]

লৈরিক :– কনানো—? মানি, শা কৈনা থল্লবা মফমনি। ইচাবু চাখিবা অতুস্থু নহাক ওইরমগনি। লাও থোক্লকউ লাও-- শাহিং চাবনা ময়াই কারবা, মমা ঐবুস্থু চাররো, ঈ পেন্না থক্লরো লাকও—!!

[আমু শম অমা মকোক্তা পুরহুনা অয়ুক্কী পাম য়েংলুবদগী হল্লক্লম্মী। লৈরিক্তা য়েংহুনা]

আমু :— স্থুপীমচা নহাকপু কনানো ?

লৈরিক :— (হন্না য়েংথোক্কুনা) ইপা ঐহাক মৈতৈনি।

আমু :— নত্তৌ য়েংবদা ঐস্থু স্থুভাইতে। করি ননিং থুংদবা লৈরহুনা মফম অসিদা লৈরমলিবা ?

লৈরিক :— ঙরাং স্থুমিদাংব্লাইরম ঐগী ইচা মফম অসিদা মাংখরে।

আমু :— নচা মাংখরে মত্তৌকরম্না ?

লৈরিক :— হুরানবশিংনা ফাবিখরে। ঐবুনা মফম খংদনা ফাহুনা পুবীরগা ইচা কায়নবদগী জ্ঞান মাংহুনা ব্লাম্থরবদা মীকপ থোরকপদদি ইত্তোমতা অমম্বা অহিংদা লোক অমগী মপান্দা লৈরম্মী।

আমু :— হুরানবশিং অত্থুদি লৈরমব্রবরা ?

লৈরিক :— লৈরমদরে। ঐগী ইচা মফম কদাইদা লৈরমগদগে ? ইচা লৈত্রবদা ঐনা অমুক হিংলুবগী কাম্নত্রে। ইপা ঐহাক শিজঞ্জগে থাং অত্থু পীবীরো—

আমু :— হায়হৈদে মুপী মচা নহাক নচা কায়নবদগী ঙাওরে।
লৈরিক :— মীওইবনা অল্লা-অনা কয়া খাংহুনা হিংনরি ; আশাগী মৈঙাল অহু য়েংলগা লেনবা ঙম্নরিবনি। লাইবকথিবী ঐগীদি আশাগী মৈরা অহু মুংখরে। ঐনা হৌজিক হিং-লুবগী করি কান্নগনি।

[তাঞ্জা অহুদা ঙসাই নিকখিবা উ পাম্বী অহু য়াম্না কম্না কম্না নিকপা হৌরক্লম্মী। অহুগা লালাগী খোঞ্জেন্না মফমহুদগী তারক্লম্মী]

লালা :— (মন্নুংদগী) "ইমা ! ইমা !"

(আমু অমদি লৈরিক ইঙক ঙক্না য়েংই)

লালা :— (হান্নগুম) "ইমা ইমা— ঐহাক সিদা লৈরে।"
লৈরিক :— (ঙক্না) 'ঐহাক সিদা লৈরে।'

(আমুনা মাইগৈ অহুদা চংশিনখ্রে। ঙাইহাক্তুং লৈরগা লাওরকই)।

আমু :— (মন্নুংদগী) মুপীমচা নংগী নচা সিদা লৈরে।
লৈরিক :— ঐগী ইচা লৈরবা—
লালা :— (চেম্থোরক্তুনা) ইমা ঐহাক সিদা লৈরে।
লৈরিক :— ইমাগী ইবুঙো— (মমা মচা কোনশিন্নৈ)

(আমুস্নু থোক্লক্তুনা য়েংলি)।

লালা :— ইমা ঐদি নংবু ঙসাইনা উরবনি। আদগী উশিদা খোং খুং কম্না পুন্সিন্নমলে, চিন অসিস্নু ফি অমনা পুন্সিন্ন-স্বনা ব্রা ঙাংব্রা য়াম্রে।

লৈরিক :— লালা! ঐস্মু উপাম্বীদু উবা ফংলে, অদুবু সেবান্নবা ভাব অমনা ওম্ন তৈনা থল্লবে। হৌজিক ইচা ফংলেদনা (আমুদা) ইপা মংগী থৌজান্দগী ইমা ইচা উন্নবেদো।

আমু :— ফরে। অসি পুন্নমক লাইগী থৌজান্নি। নুঙাইরে হৌজিক্তী। নমা নচাগী ব্লারীদু তমলো তারসি। সে, পামদগী পুবকপা হৈ-রাসি চাও সে— (যমদগী হৈ-রা পীজে) নখোয়বু কদাইদা চংকে তৌবনো— লৈবনা করি লমদা লৈবনো ?

লৈরিক :— ইপা ঐখোয়গী লৈফমদি য়াম্না থাপহৌবে। কামু হায়বা মফমদুদা চংকে লাকপনি। লমদু য়ৌগদবা কয়াম ব্লাংলিবগে অমুক্তা তাকপীয়ু ?

আমু :— ঐহাকস্মু কামুদা লৈবা মীনি। নংমদুদা নখোয়গী মী কনা লৈখিবগে ?

লৈরিক :— ফরেদা অদু ওইরববদি, ইপাদি খংলমগনি। মফম অদুদা লৈবা থোকচোম চাওবা হায়বা মৈতৈ অদুগী য়ুম্ন থংবীবরা ?

আমু :— লৈরবগী অদুবু হৌজিক্তী লৈখিদ্রে, ফনা ক্লুইরে শিখিরবা।

লৈরিক :— ও! মহাক শিখিরবা!! (য়াম্না ব্লানা চপ লেপ্পী)।

আমু :— মাগী য়ুমদা চংকে তৌরবরা ?

লৈরিক :— মযাম অদু নকভা ঐখোয়গী কনা লমদা চংজকম লৈখিদ্রবনি, হৌজক কার উমাই তোম্ননি।

আমু :— ব্লারুগনু কনা লৈত্রব। অশেংবা ওইরবদি, ঐগী নাক্তা লৈবো, ঐগীস্থু ইচানুপী অঙাং অমতগনি লৈরিবা। চাওবা হায়বিবা মৈতৈ ইনাও অহুস্থু ঐগনি হেক য়ুমলোন্নবনি। মহাক্কী ইংখোলস্থু হৌজিক কনামত্তা লৈতরে। ঐনা কোইহুনা লৈ। য়ুম অমস্থু ইহাং হাংনা লৈবনি, নমা নচা লৈনবা শেম্বীরগে।

লৈরিক :— হপা অহুবু ওইরবদি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি। মফম অহুদা মতম খরদংদি শাইদাংজগে—

আমু :— মতম খরাদা নত্তবস্থু লৈনিংবা মতম লৈয়ুনা। চাওবগী মরি মতানা মাগী ইংখোল ফংফম থোকই।

লালা :— লৌ উকমদি লৈবরা? ইংখোল কয়াম চাওই, করি কাব থাবা কোন্নগনি। চাবা ওক্লবা থাবা চনগদ্রা?

লৈরিক :— (মচাগী ব্লাঙাং তাবদা পেল্লহুনা) ইমাগী ইবুঙো, ইচাবু শিকরবনিকো; অনৌবা মপোক্তা ইচাবু অমুক ফংজরে।

(মচাবু কোন্দুনা হন্ন-হন্না নানবীরি)

"লাইট"

অহুমশুবা উৎপা

নিলোগী ইংখোল লস্কাং; যনগানরকপা।

[লস্কাং ওইরবা নিলোগী য়ুম অহু ইচিক চিক্লম্মী; লস্কাংদা শাবা লৌঙাক সাগাইগা মাম্নরম্মী। তোমাম্না· নাকল অমদসী ইরাংলাংনা চংলকই।]

তোমাল :— (ইরাং লাংনা মনুংদগী) লৈরিক, ইবেম্মা স্নতি! নপুরোইবগী য়াথং কায়জদ্রবী, নপুরোইবনা পৈশা কোকথোং অমা পীরক্লে লৌশিল্লরাও— । (থোরকপা, ফিবম হঞ্জিন্দুনা কোয়েং য়েংই, অমুক কৌরকই) লৈরিক—লৈরিক—লালা—হায় করিনো লৈতমালেনা, য়ুম অসিবু—কদাইদা ঙম্লা চংনখরে। (মনুংচংহুনা য়েংই, চিংনবা পোকই)।

(নাকন অমরোমদগী মনি থোরকই)।

মনি :— (তোমালবু য়েংলগা ঙক্লা) হায়মা, ইবুঙো তোমাল নত্রা ?

তোমাল :— তাদবু।

মনি :— কদৌঙৈ লাকপনো ঙসি লাকপরা ?

তোমা :— তাদা ঐ ঙসিদা লাকচবনি।

মনি :— খংদে ইবুঙো তৌরিবা মওং অসি ওস্থোকপা দষা হায়বহুনি মখোয়গীসি।

(তোমালনা ৱা মখা ঙাই, মনিসু খংলবোই নিংহুনা তারক্কে)।

তোমা :—তাদা লৈরিক মমা মচা অহুবু য়ুমসিদা লৈবা উদবসিবু···

মনি :—লৈরিক মমা মচা মাঙখিবগী পাও ইবুঙোবু তাবীদিবরাও ?

তোমা :— (ইঙক ঙক্লা) করি ! কদাইদা—ঐ ইঙক ঙক্লে।

মনি :— ল.কৈদা নিংলা লৈখিদ্রে হায়ববু চুম্লা ?

তোমা :— কদাইদগী কনানা হায়রিবা ৱানো ? ইতাওদি করিগুম থোইদোকপা তৌদেনা।

মনি :— (ঙক্না) মাবু করিস্নু তৌদবা—

তোমা :— করিস্নু তৌদে অনা অয়েকস্নু থোইদোক্না য়াওনদে। ইতাওগী পৈশাকাবু থাদোকখিবদাইনে—

মনি :— ইবুঙো সুমদৌই— নিলোনা লংফে চৎখিবা মতুং খরা লৈরগা পিথোরকপা পৈশা লুপা চনি অদু ফংই। ব্লাহেং লৈকাইদগী ইঞ্জিনিয়ার মাধু সাহেপ্পা মী থারক্কুনা পীরৈএ। অদুগী মতুং মুমিং মঙা তরুক্কি লৈরগদি নিলো শিরে হায়দুনা চিঠি অমা থুংলরে।

তোমা :— কনানা পিরকপা চিঠি—

মনি :— ইবুঙোমক্না পিরকপগী মওংনি। ঐখোয়স্নু চিংনবা অমা পোক্লদুনা ময়াম খন্নবদা অশেংবা পাউ অমত্তং খংনবা হায়দুনা ব্লাহেংবম লৈকাই তান্না চত্তুনা হংলুবদদি মধু সাহেপ্তু অমুক চৎখরে হায়না লৈরমদরে।

তোমা :— শিরে হায়বগী চিঠি অদু কনাদগী ফংই তাদা?

মনি :— ময়াইকোয়বীগী বীরা হায়বদুনা পুরকই হায়।

তোমা :— "বীরনা পুরকই" (ভাব ফংবগী মওং) উম ; অদুদগী মমা মচানা মওং করম তৌরুবা ?

মনি :— অদুদগী মথক্লাই ইন্নুংন্নুঙাইতনা লৈরিদৈদা, মুমিদাং অমা হুরানবা চংদুনা পোৎ-চৈ পৈশা মুংশা অমত্তা থাক্কনা হুরানবীগ্রে।

তোমা :— আ! আ!

মনি :— অদুদগী থানানচিংবা তাক্কুনা হোনবী তৌরে। অদুবু

হুরানবত্তুদি খংবা ওমদ্রে। মাত্তুগী মতুং নুমিং মঙা তরুক্লি মমা মচা অত্তু লৈরম্মী। নোংমদি শুখং খংহৌদে মমা মচামক অহিং হৌগৎতুনা চেনখ্রমাল্লে, য়ুমদা লৈরমদ্রে। অত্তুদগী মাখোয়গী মফম খংখিদ্রে, হনজিল্লকখিদ্রে।

তোমা :— মমা মচামক হৌজিক ফাওবদা মফম খংখিদ্রবা ?

মনি :— (চিকথনা) অত্তুবু ইবুঙো মী তাহনবা য়াবা ব্লাদি নত্তে, ব্লা অমদি লৈ।

তোমা :— (থব্লাই চংনা তারত্তুনা) করি ব্লা—কমদৌবা তাদা ?

মনি :— (চেকশিননা) নোংমা ঐনা লব্লাইদা চংপদা মমা মচাত্তু লম্বীদা থেংনরম্মী। লৈরিক্লা মা সোমদা চংখি হায়বসি মী কনা'মত্তদা হায়দোকপীরুন্নু হায়না মমিত্তা মপি তাব-মখৈ কপ্পুনা হায়জরকই।

তোমা :— করি লব্লাই মফম কদাইদনো ?

মনি :— মাত্তু, অা তখেল লব্লাইদনি।

তোমা :— মাখোয়দি কনা কনাগা লোয়নখি— ?

মনি :— মমা মচাদনি কনামত্তা য়াওখিদে। ঐনা লম্বীদা মাখোয়গা কায়নরগা লাকপদা বীরত্তু নুপা অমনিগা চংখি।

তোমা :— উম !·········মমা মচানা চংলিবত্তু মফম কদাইদনি হায়রমবগে ?

মনি :— তাংদাংবসু মফম খংদে। মখোয়না হায়ববু অসোমদা মখোয়গী মরি মতা অমথক লৈ অত্তুদা চংকনি হায়রম্ম।। ঐনা চংনুরগমু চাং মান্দা তম্বা ওমদে য়ুংলোমদা হল্লসি হায়না ফনা য়াম্মা থাম্বনি অত্তুবু নুকয়া য়াখিদ্রে।

তোমা :— (মনিগী মাশিংহ্ তারগা, মাহুগী থৌরাংশিং অহু ভাবনা লাম্বা ফংলম্মী, মতোমতা পোল্লকই)। উমঃ মাসি পূন্নমক্কী থৌরাং খুজিন্দি মপুক ফত্রবা— (লাওনা) তাদা বীরাবু ময়ুমদা লৈরমলোইদরা ?

মনি :— খংদেনে। লৈরম্বা য়াইনা—

তোমা :— লৈরম্বা য়াই·······।

"লাইট"

মরিশুবা উৎপা

চৈংমুং থোং শাফম ; হুমিদাংবাইরম।

[মী পূন্নমক মথল্লাই য়াওনা থোং শাবগী থবক অহুদা মাই শনশিন্নরম্মী। 'নিলোনা মাইগৈ অমরোমদগী য়োপাক পায়রহুনা খোরকই, মাখোয় ময়াম মরি মরি খোরকই।]

অপুনবা ঈশৈ :—

করম্না লানগনি, করম্না লানগনি
পুন্সিগী ঈয়াইসে, পুন্সিগী ঈয়াইসে॥
থেরু খোরনা লানবা চৈংজাওসে
গুরু মমলবা মারক মোংপোং
পুন্সিগী ঈয়াইসে পুন্সিগী ঈয়াইসে···
করম্না লানগনি, করম্না লানগনি॥

কিজেনে কিজেনে তাইবং ৱারি
পুন্সিচুপ্না শেমগংচবা আশাবু
মিকুপ্তা মংলান ওইহনবা
করম্না লানগনি, করম্না লানগনি ॥
সংসারসে নহাক্কী য়াথংনি
খুংশেম হৈবা নংগী থৌরাংনি
তেংবাংবীয়ু অপংবা মীওইবগী থৌরাং
শুক্ল মমলবা নারক মোংশোং
চাংজৌ নাইত্রবা পুন্সিগী ঈয়াইসে
পুন্সিগী ঈয়াইসে
করম্না লানগনি, করম্না লানগনি ॥

(ময়ামচু মরি মরি চংখি)

মধু :— (থোরক্তুনা মাইথোং মকা ফন্না য়েংলুরগা) কয়াদা লিংজেল মান্নবা পুক্রিং চংনা গুরবা থবক্তো—? করিগী মঙ্গল ওইরোই ঈশ্বরগী মফমদা থোজেল অমত্তা ওইনা অকবা ময়াথংবু নিজরি। মৈতৈ হাও মন্নাং পাজল শুনা য়াওরে। মচিল-মনাও অমত্তা ওইবগী মতৌ, ঈমুং অমত্তদা লৈমিন্নবগী মওং কয়াদা ময়েক শেংনা উংলবনো—? (হোনা কৌরকই) ওমচুং—ওমচুং—।

ওমচুং :— (থোরক্তুনা) বাবু করি তাকপিন্নবা ?

মধু :— কেণ্ড ঈয়াম্বা ; কয়াদা নুঙাইররা অতৌনো। ঈচেল কল্লবা তুরেল অসে লিংজেলদ মান্নবগী থোন্নাওনা নেমথহল্লে।

থন্নাই চংনা হোৎনবগী মমল অহু ঈশ্বরনা পিরে। য়েঙ্ ওইথোক্লুবা থোং অসি শাবা লোয়শিল্লক্লে। য়েঙ্ ঐথোয়গী হাক্তক্তা অসিগুম্বা থৌদাং অসি পাংথোক্লবনি। মাসিনা চীং অমস্তুং তমগী নক্করবা মরি অহু অমুক্তা হেন্না পুরক্লগনি। ইয়াম্বা নংবু ঐনা থাগৎচরি। নহাক্লা থন্নাই হকচাং য়াওনা মণিপুর শেমগৎপগী মরিদা থৌদাং অমা লৌরে হায়বসি ঐগী পূক্লিংগী থাজবনি।

ঙমচুং :— থৌরাং অসিদা ঐগী পূক্লিংনদি অরোইবা লৈতনা থাগৎলিবনিনে পাবু। ঐদি নংহুনা লাইরহুনা চানিংঙাই লৈতবগী থবক অসি য়াওবা নত্তে। মরম অহুনা ঐনা পৈশা অমত্তা ফাওবা লৌজদবনি। ঐগী থম্মোইদা য়াম্না মুঙাই-তবা, নিঙমদবা অমা লৈরিবনি হাসি তাবীয়ু!

মধু :— করিনো হায়বীয়ু।

ঙমচুং :— নোংমা ঈশিং য়াম্না চাওবা কান্দা ঐগী ইমা অহু অঙাং অমা পোহুনা লাকপনিকো ; অহুদা উশানা কৈহুনা শাবা থোং অহু লানবদগী তেক্লুনা ঈশিংদা তাখিবনিনে। ঐগী ইমা অহুগা অঙাংহু অহুম তৌহুনা শিল্লবনিকো।

মধু :— কয়াদা তাবদা নিঙমদবা ল্লাথোক অহু থোকল্লবনো, মাহুগী মরুদি লম্বী থোং ফত্তবননি।

ঙমচুং :— অসিদসু নত্তেনে! মী কয়া কল্লা অঙাং মচা কয়াসু ঈশিংদা লানবদগী ঈরৈমা চেম্বহুনা মাংল্লবনি। ধনবী-বল্লাও কয়াসু শিল্লবনি। অহুনা ঐথোয়না অমুক থন্নাই য়াওনা থবক অসিদা হোৎনবনিকো।

মধু :— হোংনসি নখোয় ঐখোয় পুম্নমক চংহুনা হোংনগদবনি। নখোয়গুম্বা পুকচেল চাওরবা মীনা পোক্লিবা লমদম অসিনা করিগীদমক তুমহুনা হৌজিক ফাওবা লৈখোক্লগনি। হৌজিকমক মণিপুর সরকারনা চহি মঙাগী থৌরাংদা চীংলমগী য়াইফ থৌরাংদা অকনবা থবক পাইখৎলি। খুল খুদিংমক্কী স্কুল লৈনখরে। লম্বী থোং গাড়ী চৎপা য়াননবা শেম্নরে। মফম কয়াদা চাওখৎপগী মমি তারে। ঐনা আশা তৌই মফম অসি শোইদনা চাওখৎলগনি। ঐখোয়না থব্লাই চংনা হোৎনরিবা অসিনি। হৌজিকমক ওইরিবা ফিবম অসিমক মমাংঙৈগী অহু য়েংলবদি ওন্থোক্লা থিনা খেন্নরবনি।

ঙমচুং :— থংজরে বাবু ওন্থোক্লা থিনা খেননরে।

(মতম অসিদা নিলো থোক্লকই)।

মধু :— (কৌহুনা) নিলো বাবু হুংশিদকো। থবক অসিদা ওন্থোক্লা থব্লাই য়াওনা মাই ওনশিনবীগ্রে। ময়ামগী হোৎনমন অসিবু করম্না কাওগনি। ঐনা হন্দক চৎখিবদা ময়াম পুম্নমক্কী ফোটো মিংগা কোন্নবা পুজখিগনি। অহুগা থবক অসিগী মওংস্থু নমহুনা পুজখিগনি। অহুগা গভর্ণমেণ্টকী চেকোংদা ফোংহুনা মীয়ামবু থংহনজগনি। তোমাল বাবুহুবু করি তৌরবন্নো লাক্কে। ফনা কুইরে লাক্কে হায়রবদি লাক্রে, মা: লাক্রবদি ঐ অমুক চৎখিবা য়ারবনি।

[illegible] :— বাবু খুন্দা পুন্দোংথিবা য়াওনরবরা করিনো থংদে। লাক্কে হায়রবদি য়ারবনি।

মধু :— নিলো বাবুনা হকচাং ইন্নুং নুঙাইতে হায়বীববু খরদি মফবববা ?

নিলো :— ঐগী হকচাংসি খংদে বাবু। হন্দক মরকসি ইন্নুং নুঙাইতে। মং-হানা নুঙাইত্রিবা য়ুমদা করি করি থোক্লবনো হায়নস্থ খল্লি।

মধু :— কবিবু থোক্লমগবনো। মাহুগুম্বগী ব্লাখল খনবীরুগনু।
[মধু অমস্তুং ঙমচুং চংখি। নিলোনা হিসাবকী বোই ফাক্তুনা য়েংহৌই। মতম অসিদা তোমাল মাই-থোং মকশিননা চংলকই]

তোমাল :— (তপ্পা কৌরকই) ইতাও।

নিলো :— (হরাওনা, .নোক্লা) ইতাও নং লাকলে।

তোমাল :— ইতাও—

নিলো :— নং করিগীনো অস্থক কুইনা লৈবক্লিবদে, ঐখোয় ইমুংতু কমদোহৌরি। ঐখোয়গী অঙাংতুবু লাইরিক নিংথিনা তমহৌরিব্রা ?

তোমাল :— (নিঙমদনা) ইতাও !

নিলো :— করি তৌরে—? নংনা নথল্লাই ইন্নুং নুঙাইতনা নমাই ইমক মকশিন্না লাক্লিবা অসিবু করি তৌরবগে ?

তোমা :— করিশু তৌদে।

নিলো :— নত্তে, য়ুমদা করম্বা ফত্তমুংদ থোকপা য়াওরম্নবগে ? হায়য়ুনে— অহু ওইরগা সিদ'স্নুম লৈবা য়্নারিব্রা ?

তোমা :— (লাওনা) করি ইতাও ! করিশু লৈতবা নং-ঐগী

য়ুম অমা শোইবগা, অসুক চাওরবা লৈবাক্কী থবকসিমা কায়বগা কনানা ফে—কনানা লুকা হেল্লি হায়য়ু হায়য়ুনে ইতাও--? (অমিত্তগী পি তারক্কই)।

নিলো :— অদুব্ করি তৌরবগে, অদুতদি ঐখোন্দা হায়দোকপা য়াদ্রবরা—? করি তৌরবগে হায়বা—?

তোমা :— ইতাও, থৌদোকশিং অদু ঐনা নঙোন্দা করি হায়না তমগদগে, ঐ খংদ্রে—

নিলো :— করিগী নপুক্লিং অদু পিকথরি ইতাও—? নংগী অন্নাবদা তঙ্খাই অমা শরুক য়াবা ঙমদ্রবদি করি কান্নরি মরুপ অমা ওইনা হিংলুবগী করি কান্নরি—? হায়য়ু নংগী অন্নাবা খুদিংমক ঐঙোন্দা হায়য়ু—

তোমা :— ইতাও! সে নপুক্লিং পেন্না তারো, নঙোন্দা তমগে পুরক্লবা পাউনি য়েংলো—[ফুরিৎখাওদগী চে অমা লৌ-থোক্তুনা পীরমলে, অদুগা মা থোকখ্রে। নিলোনা চেদু হাইদোক্তুনা য়েংলকই]

Behind the scene :—

"ইতাও মতম য়াম্না কুইরমলে; ইতাওগী য়ুমদা হুরানবা চংদুনা পোৎ-চৈ তুম্না হুরানখিরম্লে। ইতাওগী য়ুম তুম্না মুংসায়ে। লৈরিক মমা মচা মফম খংদনা য়াংখিরম্লে। ঐ মাখোয়বু য়াম্না কন্না থিদুনা হোৎনরক্লবনি অদুব্ অরেম্বা তারে। অরেম্বা মফম খংবদি ঙমলক্তরে। ইতাও য়ুম ইংখোন্দু লম্মাং ওইহৌরেদো—!"

নিলো :— [চিঠিহু য়েংন-য়েংনা মশা থক থক নিক্লক্লে হুমাংনা লুপদ্রে। মফম খুংহোৌদনা ফুন্নগৎলকপা, অমগা, ল্লোয়নদা স্বর থিংহুনা—"আ!", হায়না লাওরকই। চিঠিহু মখুৎ অনি চংনা কন্না পাইশিল্লি]

তোমা :— (ফিংনা চেম্থোরক্লনা য়াম্না পাখৎপগা লোইননা কৌরকই), "ইতাও! ইতাও!!"

"লাইট"

মঙাশুবা উৎপা

হান্নগী থোং শাফম; অয়ুক অঙনবা।

[নিলোনা মশা য়াম্না ফত্তনা লৈরবদা তোমান্না মাগী মহুৎ শিন্দুনা থবক পুরম্মী, হায়বদি হিসাব শুরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা ঙমচুং চংলকপা উই]

তোমা :— কনানো—ঙমচুং।

ঙমচুং :— পাবু।

তোমা :— নিলো বাবু কমদোহৌরি ?

ঙমচুং :— পাবু মঙং করমনো থংদ্রে। ঐগী য়ুমদা পুশিন্দুনা ঙম্মীমখৈ ঐস্থু সেবা হোৎনজবনি। অদুবু পাবুগী অনাবদি মঙং করিমস্থু ফত্তেনে।

তোমা :— করিমত্রা ফত্তে।

ঙমচুং :— ঐখোয়স্থু চেকশিন্না হোৎনজবনি, অদুবু জাৎনদি অমমম

ওইবনিনা, করিমত্তা চাও য়াদ্রে। ঐখোয়দা লৈবিবত্থ য়াম্না হঙ্গোইরমাল্লে পাবু ইতংত্তনসু ওরেনে।

তোমা :— হঙ্গোইবগী ব্রা নত্তে ঙমচুং মাগী লৈনাননি। নংগী য়ুমথুদা লৈবনা নোংজু মুংশা খরা ফগদরা খমবনি।

ঙমচুং :— লৈবীবগীদি লৈসনুকো। অথুদা ঐখোয়গীদি ইনাং ওইবনিনা ওক য়েন মরক অথুদা হৈনদ্রবরা হায়জবনি।

তোমা :— মাগী তোপ্পা অহুম লৈহনবীয়ু। ঐনা মুতিগী চাক ঈশিং থোংবা হেক হেক লাক্কনি। মাবু ঙসি ঙরাংসি হৌগৎপা ইঙম ঙমদবরা ?

ঙমচুং :— খরা খরদি ঙম্মী।

তোমা :— ঙমচুং, য়ারিবমখৈ নিংথিনা হোৎনবীয়ুকো থবকসিনা লোইরমদাই ওইথুনা খরা কনশিল্লকপদা ঐনা তৌগদবা মওং অসি লুরি।

ঙমচুং :— থবক্তী শোইদনা মঙ্গল ওইরগনিদা। মিস্ত্রিশিংনা ঙাংন-হৌববু য়োৎ-চৈ খরা ব্রাৎলিবসি লৈরবদি লোইশিনবা য়ারগনি হায় !

তোমা :— ঙসিদি শোইদনা থুংলরগনি। থবক অসিবু লোয়রবদি হায়না লৈরবনি ঐস্নু।

[মতমসিদা মপান্দগী মকোয় মরাং চোম্নবা মশা ফিভম শোক্লবা নিলো ফিজাও অমা ইল্লথুনা লোক খুনা খুনা চংলকই]

ঙমচুং :— (য়েংথোক্লুনা) হাইমা পাবু লাক্লেনে—নিলো পাবু ! (ফিংনা থোকখি)

তোমা :— (ফিংনা) ইতাও … …(ঙমচুংনা নিলোবু শৌদুনা পুশিল্লকই) ইতাও, করিনো নংনা অদু য়ৌনা কননা ঙমদ্রগা সি তাম্না অমুক লাক্লিবদুবো ?

নিলো :— ইতাও ঐ নাবা ফবে, ঐ চৎলগে।

তোমা :— ইতাও, নং ঙাওরব্রা ?

নিলো :— ঐ চান্নবা নাবা ফরবনি, করিশু তৌররোই, ঙম্লগনি চৎলগে।

তোমা :— করিনো হায়রিবদুবু ইফিং ফিংখিনু ঙাইখো।

নিলো :—ঐ চৎলগে করিশু তৌররোই। হকচাং অসিসু নুঙাইরে কনামত্তা লৈহৌদ্রে হায়রবদি য়ুম অদু ইহাং হাংলম্লগনি।

তোমা :— ঙাইখো তপথখো চৎলগদবনি। ঙসি নিনি হুমনিগী মনুংদা থবক অসি শোইদনা লোয়বগনি। ময়েক্না চৎপা তারবনি।

নিলো :— ইতাও ঐ হান্নবা চৎলম্লগে। নোংমত্তং ওইরবসু হান্না থুংলুদুনা য়ুমদা পোত্থাজরুগে।

তোমা :— (মরক থত্তুনা) ইতাও ! করিশু লৈত্রবা নং ঐনা অসুক চাওরবা থবক্কী লোইরমদাইমক্তদা য়েৎপা তারবা ?.

নিলো :— ইস !……চুম্মী করিসু লৈত্রবা ঐগী খুদোং থিবা মওং থরতংনা চাওরবা লৈবাক্কী খোংথাংদা য়েৎপা……ঐগুম্বগী অৱাবনা মী লিশিং অমগী খুদোং থিবসিবুসু চিংথবা তাবা ……ঐ ফত্রে ঐ লাল্লে……(মমাই ওম্থোক্তুনা খোংথাং অম'নি হেক থাংদোকপদা, লোক কম্না খুরকই থবাক ফুনগৎলকই, লেপ্পা ঙমদনা তুশিনখি)।

ঙমচুং :— থাবু (চেনশিন্দুনা হৌপংলি)

তোমা :— (মপি ঈন্না চেন্দুনা) ইতাও শরবদা কঙ্খাগদগী ঐনা হেন্না মন্নবনিনে মরূপ! অত্নবু থবক অশিনা করম্না অমুক কায়হল্লদগে— ? ঙসি হয়েংগী মনুংদা শোইদনা লোয়রগনি। মফম অসিদগী নংনা করম্না নত্তোমত্তা চংকদৌরিবনো হায়ুনে ইতাও। ইবাম্নি চংমিন্নচনা মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিং চংদুনা লৈরিক মমা মচাবু ফংননবা থিগদবনিনে মরূপ!

ঙমচুং :— ঐখোয় পূন্নমকম্ন য়াওদুনা থিগনি। থনক শুমিন্নরিবা মী পূন্নমক য়ুমদা হন্নরগা মমা মচাবু থিবদা য়াওগনি হায়না লেপ্পরবনি।

নিলো :— পাপ চেল্লবা ঐবু থাদোকপীরো, ইত্তাও ঐবু থাদোকপিরো ?

তোমা :— ঐনা নংবু থাদোকলোইনে ইতাও। লৈরিক মমা মচাবু নথুত্তা শিন্নবা ঙমদ্রিমথৈ ঐনা নংবু থাদোকলোইনে।

নিলো :— বীরগা লোয়ননা মাংশ্রবা লৈরিক মমা মচাবু কদাইদা অমুক ফংবা, কদাইদা মথং করম্না অমুক লৈরমগদবা ?

তোমা :— শরুগী মীতম ওইনা ফংলবস্থ ঐহাকী রাশকি। মমা মচাবু ফংনবা থিবদা ঐগী য়ুম-কৈ থাদোকখ্রনি। নংগী নথুত্তা শোইদনা শিন্নগনি।

নিলো : — থাও য়াওদ্রদুনা মুংশ্রবা থাওমৈ অত্ন করম্না অমুক ঙাল্লককদবা ? লৈত্রবা মীবু কদাইদা থিরুগদবা— ?

"লাইট ওফ"

ড্রোপ

অহুমশুবা অঙ্ক

অহানবা উৎপা

লবুক লম্ফাং ;   মুংথিল মুংশা শাবা মতম।

[লালা মপুং মরৈ ফারক্লবা পাখং অমা ওইরে লৌউ শিংউবগী থবক্তা হৈ শিংলম্মী। লৌবূক লমহাংসি ফৌ মুনবা মতমনি। উচেক ঙাক্লবা সগাই অমা লৈ। সগাই-তুগী ময়াইদা 'সাইন বোর্ড' অমা **'জাপানিজ মেথোদ ওফ পেদি কলটিভেসন'** হায়না চাওনা থেংলি। লালানা মমাই মমিং মুশিলমুনা কোকশেং অমা য়েংলহুনা মথক্তা ছাটিন শেগাইবা অমা খল্লগা সগাই মথক্তা ফমলি। হৌনা লাওরকই]

লালা :— শ্বা হৈ! করি উচেকনোনে মমাই অস্তুক থাবসিবো, আদা তোংলুগে হায়দেনে। ফৌখৈ লোয়না কেনবা তারে। লৌখাওবীশিং অসিনা মরোল অমা পরপ পরপ খাওজিনগে হায়দেদো। পৈশা পীরোই হায়না তৌরিমাল্লে। মহে হায়রা লং নাইবা ফাওবা হৈরমদবদগী ঐখোয়'মানা তম্বীহুনা হৈরবনি। মী নেককে হায়বস্মু য়াদে, মাখোয়না খাওনি হায়হুনা (হৌনা) হে! লৌখাওবী অঙাং মচাশা! পরপ পরপ খাওনহে নখোয়বো নয়া ইহি-হিগতুনা লৈথোক্লমুনে। (মতমহুদা স্নাহনবীনা মনুংদগী কৌরকই—"লালা লালা!") কনাম্নো মীনা শাওরিরৈঙদা লালা—কিন চাগেরা? লাও নকোক্তুদা কিন্না থিনগে—

সনাহনবী :— [ময়োম অমা পুরহুনা চংলকই, লালাবু কনগদবগী ফমথখি। উথুম শাশিন্নহুনা "তুম! তুম! ... ... "]

লালা :— (খংহুনা) হে উথুম থৌরৈতবা, হৌজিক উথুম খোংবগী মতম লোয়খরে তানিংদে খোংগনু—

(মরক্তগী অমুক – "তুম, তুম......")

লালা :— হে মীনা খোংগনু হায়রগা উশিংতবা শারদনা শাই-রোংনা কাপকে খংগনি মসি উথুমসি—

[শাইরোং কাপশিল্লি সনাহনবীগী মরাইবক্তা শাইরোংনা পান্দুনা "অয়ো ইমা! শিরে শিরে..." লাওরকই]

ইসে উথুম শিরবরা—? (সগাইদগী কুমথৈ সনাহনবীবু চিংথোরকই) ঐনা গুসাইনা হায়দ্রো, খোংগনু, খোংগনু কান্নরোই হায়না, কদাইদা পাল্লে?

সনাহনবী :— (পেরি পেরি নান্দুনা) সিদা পাল্লিনে—

লালা :— মরাইনা ফজনিদা, তোকও, তোকও (তপ্প-তপ্পা নানবী অত্তুগা অমুক লাওনা হায়রকই) ফরেদা হৌগৎলুসে কপ-চেৎপী ওইনা হেক তৌরদনা, হৌগৎলু...... (চিংখৎলি, সনাহনস্থ খংহৌ হৌগৎলি) কদাই—করি করি পুরকই?

সনাহল :— চাক পুরকপনি (ময়োম অত্থু পি)

লালা :— (লৌহুনা) কদাই করি এঙ্গাংনো? নখোয়গী পাবনা শাওহৌদ্রা?

সনাহল :— করিগী শাওদৌরিবা, মানা পুখো হায়রগা। হন্নাই থোংবনি চারো।

লালা :— (পন্থদে চখোম চাওন-চাওনা হুক্তুনা চাই,) কনানা থোংডি— ?

সনাহল :— ঐনা।

লালা :— থুম নমদে।

সনাহল :— করিগী ? নম্মমগনি মানা হেক্তা হায়জিনলি।

লালা :— নংনা হান্না মহাও তংহুনা য়েংলক্লবরাও ?

সনাহল :— ঐদি চাদ্রিবনে।

লালা :— [চখোম চাওমনহুনা থবাক ফুনগংলি। স্বর হোনবা য়্যাদে মমিং ওনখংলি। মখুং ওইনা থবাক্তা থমলগা চখোম চাওনা] ঈশিং······ঈশিং······

সনাহল :— (পাখত্তুনা) ঈশিংদি য়াওরক্তে, করম তৌগনি ?

লালা :— ঈশিং— ঈশিং !

সনাহল :— করম তৌগদগে ?

লালা :— থবাক ফুল্লে, লবুক্তগী—

লালা :— পরপ-পরপ·· ···

[সনাহনবীহু চেনশিনখি। খুজোক্তা খরা শোক্তুনা পুথোরক্লগা লালাদা ইনহুনা পীথকই]

সনাহল :— ফরব্রা ?

লালা :— (স্বর হন্থহুনা) খরা থুনা তৌরকপা য়াদ্রা ? ওক্তে: থম্না অমদা মনিংগী লৌখোংসিদগী খরা য়াম্না শোক্লুচো ?

সনাইহল :... ই, মং চারম্মুকো— য়াম্না য়াম্না হুকচিনদুহে ...খুব মু... ংলকনি। (অমুক হম্না চংখি)।

লা... (...লোয়না চাথোকই, অমুক থৌরাংলকই) পৌরকও, পোবকও। কদাই— ?

[মতম ঙাইহাক খম্নরে। সনাহনবী ঈশিংদা ঈন্নাক-বগী মগুংদা লাওরকই, "ও, ইমা! ঈন্নাক্নরে, ঈশিংদা তাবে!"]

লালা : — হাই অঙাং করি তৌরে শিরবরা......(ফিংনা হৌগৎ-তুনা দং-দং চেনখি। ঙাইহাক লৈরগা লালানা মফি মরোল পুমচোং চোংলবা সনাহনবীবু পমহুনা পুখোরক্লে)। শিদা ফম্মুসে.... ? ঈশিং খজিক্তং শোকউচো হায়রগা কদাইদা ঈশিং মনুংদা চোংথরক্রিব্রা ?

সনাহল : — (ফিজি ...দোক শুমদোক্লা) থম্না লাবদা ... তাবিনিনে।

লালা :— ফরেদা, ফরেদা তোকও। হল্লেংঅথেদি ঈশিং হেক হেক পুবকউকো, নত্রগা কোন ... পুরক...। চাক পুরকঅবদি ঈশিংসু য়াওরকপা হৌনবক্নি।

সনাহল :— চাক্তি ঙদিনি পুরকইবা, অহুসু অথোয়বী ওবা উথিব্রা হায়হুনা লোম্না প...কইবনি।

লালা :— করিগী ?

সনাহল :— ঐথোয়বী চাক ...ই হায়হুনা—

লালা :— ...হুরাইলা মহাকনথেনু ...জিহা... সনাহনবী নহাক

উপাম্পা মাপী লাল্লম্মু। ঐ লৌখাওবীগী মনাতা চল্লুরোক সে চকক্তা নংঙ্গা থাঙ্গপ্লীম্রকগে। নকি-নরোলকা ইচোং লোংবল্লা লৌশা ঈশিং তারকা মানবে হুমুনা লৈমু— উচেকপা মঙ্গাইনা কিজগদি।

সনাহল :— নংলাইনা কাগনি সিদি—রাজা রাইই?

লালা :— লে, ঐ থাঙ্গংপীগে—(সগাই মরকা থাকথনি)।

সনাহল :— নংনা বদাইদা করি তৌকনৌরা—?

লাল্লা :— লৌ শুমদা নৌ খাওবা য়াওরগে, নং অহুম লৈরগু?

সনাহল :— ঐখু লাক্কে। ঐখু য়াওগে?

লালা :— হে অচাং য়াওমু; লম হেন্ন।

সনাহল :— ওঃ শানা হেক নুপী মরক্তা লৌমান লাম্মুরেগী।

লালা :— হে তেন চাগোরা অওাং নং—?

সনাহল :— ওহ নৌ খাওবা য়াওগেনে—

লালা :— উ.ক চাঙ্গম্মু হায়রগা মীনা।

সনাহল :— চাচঙা তোংদেনে।

লালা :— (শাওনা) পাইরকনিনেহে—'তোর্বোং চক্কুং নংবো; মশমনি হায়দুনা চুজাকী শমসিদা লৈহাও হেক য়াম্লদনা।

সনাহল :—নংনা কবি হেল্লি 'ইরোই লুৱাওবা!' চরাং কোকফাবা।

লালা :— (য়াম্না শাওনা) হেঃ নং অহু হায়ম্র য়াররোইজ্রা? মনা থদংকে থংনে......(চংশিন্দুনা লাম্লগা সনাহলগী মনা লৈ)

সনাহল :— (শুগত্তুনা) নংদি করিগী হায়রি...(য়াম্না নাদা)
অয়োমা! অয়োমা! পিয়ে......ইরোই লুৱাওবা—

লালা :— হায়খিদ্রা, হয়েংখৈ হায়খিদ্রা?

সনাহল :— নংদি করিগী হায়রিবা—অয়ো'মা শিরে……
(লৈরিক লাওরদুনা চংলকই)।

লৈরিক :— (চংলক-চংলক্লা) হায় হায়…! করিনো তৌনমু তৌনমু—? লালা করি তৌরে? অঙাংদু করিগী ফুবী-রিনো থাদোকউনে—

লালা :— (থাদোক্ল) মানা মীগী অশাওবী হেক-হেক হায়দুনা লক্লরিনিনে; চুজাক মশমসি হেক ফোইদৎপু—খংত্রা অদু…

সনাহল :— খংঙেহে—। মানা মীঙোন্দা 'তোর্বোং চক্ষুং' হায়দুনা হান্না লক্লরক্লগা; চারাং কোকফাবসে—

লালা :— (খংশাও শাওদুনা) আ-আই! অমুকসু হায়রিনহে …নং অদু হায়দু য়াররোইদ্রা—(ফুগদগী চংশিল্লি)।

সনাহল :— ইমা! ইমা……

লৈরিক :— হায় করিনো লালা! মসিদে—
(মমাবু কিদুনা লাল্লা ফিনম হনজিল্লি)।

অঙাংসি নংনা ঙহাক লৈর ফোইর, ঙহাক লৈর ফোইরা মক্ল হেক কোকতৌরেনে। করিনো নংনা তো রিসিবো—? মাসি অঙাংসি মীকা উত্রবদি সোইদনা হাৎলমগনি—। হায় ইবেম্মা সনাহল, কুমথরক্লো লাকও, সি চাররো ইমানা হৈথা-পোথা পুরক্লে। লাকও লাকও—
(থুমোক্তগী হৈ-রাগী ময়োম পুথোরকই)

লালা :— বুদুনিদা অসিদগী ফাওবা কুমথবা ঙমলোই।

সনাহল :— ঙমনি; ঙমনি হেক্তা চোংথরকনি (থমক্লা তোরম…

লৈরিক :—(পাখৎনা) হে, হে। ঙমলোই, নখোং নখুৎ তেক্কনি। নবুংবু থাংথহল্লু।

লাল্য :— ঙমদি ঙমলোইদবদা ধমকা তৌরিব্রনি। ঐ থাংথবা ঙমলোই মৱাইনা কুমুথক্করক্কনি।

সনাহল :— নংনা ঙসাই নথৌ লৈতনা করিগী থাঙ্গৎপিরি। য়াদে, থাংথৌ—(পেরি পেরি শাওনা ঙাংই)।

লৈরিক : – খরা থাংথবীয়ুনে নং' ঙসাই থাঙ্গৎলি হায়রিসিদি—

লালা :— (চংশিন্দুনা) হে লাওহে বৃহুবী, কপচেৎপী!

(থাংথবী লৈরিক্কা মনাক্তা মবান্নিমক হোচিল্লি)

সনাহল :— কদাই ঐগী শরুক কদাই—

লালা :— ঐগী শরুক হান্না পৌয়ু কদাই—

[লৈরিক্কা থুম্মোক মমুংদগী হৈনৌ অমমম লৌথোকতুনা মাবান্নিদা পী, লালানা মাগীদা মুন্না য়েংলুরগা]

করি! মাগীনা অচোবা পীবা য়াত্রা ওম্মোক্লনি নংসি চাও—

(সনাহলগী অহুগা ওম্মোকনৈ)।

সনাহল :— (শাওনিংই, কলক পেন্দহুনা) লৌজো ঐগীদি মখজাই ঙাংই তো—

লালা :— (চানা চানা) ঙাংনিং ঙাংজো। অহুদি নং হেক মাল্লে।

লৈরিক :— মাখোয়দি লৌ থাওবশিংদো—? মাখোয়স্থ ব্লাররিগনি। লাকও হায়না লোয়না কৌশিনবীরক্লো—

লালা :— ও, লৌথাওবী—লৌথাওবীশিং! লাকওহে চারসি.....

লৈরিক :— লাকও, লাকও ইবেম্মখোয় পোথারখো ব্লাররিগনি ইমাদা হৈরা পুরক্লে, চারখো লাকখো—

[খুদণী লেখাওবী লৈশাবী মচা মরামত্থু মখুত্তা থাঙ্গোল অমমম পায়নরতুনা হরাওনা চেনশিনকই। খরনা—"ইমা, ইমা ঐগী শরক"। খরনা ঐগী ঐগী......।" লৈরিক্না মরামত্থু অমতা ওইনা য়ুংশিনা পোং চৈ য়েনবী]

লৈরিক :— ইমাগীদমক্তা নখোয় ময়াম্না কয়া ৱানা হোৎনরবনো ? চহি খুদিংগী লিংবদস্থু, খাওবদস্থু, ৱাররিগনি।

লৈশাবী ১ :— করিগীনো ৱাদেদা ওঝাগীবু। ওঝা হন্দক্তি ওঝা খোয়গী লৌ অসি য়াম্না থোকদৌরি। পোকওৈদগী অমুক য়াম্না খুদাপ তাবা থেংনদ্রি। লালানা হন্দক 'জাপানগী লৌ মউ' ত্তৌবসিনা ওইরমালে।

লালা :— অতুননে খংবরাও। কুমসিদি ঐনা ফৌথোক হেনবদা ফার্ষ্ট তাগদৌরিবনে।

লৈরিক :— কবু কবরনে—?

পেৎথু :— য়াম্না ফখরে। ওঝা অতুগা ঐখোয়বু হয়েংদশীদি ফনেক মপান নাইবা শাবা তম্বীরোকো লোনবস্থু—

লৈরিক :— তম্বীরগনি লোয়না হৈনবা তম্বীরগনি।

লৈশাবী ১ :— ফৌ য়ৈবদস্থু মী কনানতা নেকতুসি। ঐখোয় ময়াম চংতুনা হেক্তা য়ৈথোকসিকো—

লৈরিক :— ইচাশিং ৱাগী খরা খরতা হোৎনৌ। তত্থ-তত্থা ত্তৌকোল ইখোয়গী খাঙ্গোম্না নখুংকা শোরহনিকো।

লৈশাবী ১ :— ইমা ঐখোয়গী কি শাকমা. ঐখোয়গী রোকী

কাবু অহুনা ঐখোয়গী ফি-রোল শাবদা শিজিন্নবা খুৎ-খুৎলাইমখৈ শুনা পুথরক্লনি হায়রম্বদাই—

লৈরিক :— পুরক্লগনি ওদি হুয়েংসিদা মচৈ-মপোৎমখৈ শুনা পুথরক্লকি।

সনাহল :— ইমা করি করি পুরক্কনি ?

লৈরিক :— কোল, লংচাক চাক্লবা খুৎলাই ভরেং-মশা, কি হৌনবা খুৎলাই, সুনা, শমজেৎ য়োংকী, লংচাক উনা শাবা ; য়োংকী পাঙলদেব, মশীং শুনা পাংখৎপ্রবনি মীশিংগা কোন্নলা ইচা-শিংগী লোয়নবা পুরক্লগনি।

লৈশাবী :— করিগীনো ওঝা মাখোয়না নহান ঐখোয়গী অশাবা ফি-রোলশিংহু য়েংলগা অহুক পাম্না তৌরিবদো—, মাখোয়না অরাকপা খুদিংগী মমল য়াম্না য়াম্না পীরম্লগা লৈখিনে।

লৈরিক :— সরকারনা খুল্লকী লম্নাই ফি-রোল শাবদা মতেং পাংনবা হোৎনরি। থব্রাই য়াওনা হোৎনবা মফমশিংদা মতেং পাংঙি মপুং ফানবা অচংবা শেল থুম পুথোক্নুনা হোৎনৈ ঐখোয়গী মী কুন কুম্থ্রামুক্না তৌরিবা থবক অহু উবদা মখোয় য়াম্না থাগৎলি। মাখোয়গী চেদা ঐখোয়গী মফম অসিবু য়াম্না ফৈ, শেল থুম থরা মতেং পাংলবদি মপুং ফারগনি হায়না লাইরিক পানথৎপ্রবনি ; অহুননি।

পোংমু :— ওঝা ঐখোয়বু য়োকী মীশিং অহুনা য়াম্না থাগৎলম্মীনে কদাইদনো ত্রেনিং থাগনিকাসু হায়রম্মী। ত্রেনিং হাম্নবসিবু করি হায়রিবনো ?

লৈরিক :— আদা পৈশা পীহুনা মহৈ তমহনবনি। মাহু পাস তৌরবদি থবক য়াম্না চাওনা ফংই। তলপ চাওনা চাগনি।

[ময়াম্না অস্মুম লৈনরিঙৈদা, আমু য়াম্না হরাওনা ফিংনা চংলকই। মনুংদগী ঙাংল ঙাংলহুনা]

আমু :— (ঙাংন ঙাংনা চংলকপা) ইস য়ামগ্রে—য়ামগ্রে ! অঙক-পনি, অঙকপনি। মুপীমচা, মুপীমচা লৈরিক—

লৈরিক :— করি ওইরবনো বাবা—

আমু :— ব্রোক্কী বাবুশিং অহুনা ফি-শাবগী খুৎশু-খুৎলাই পূরক-কনি হায়বহু গাড়ী অমা পিক থন্না পূরকতুনা থাহোরে, য়ামগ্রে, য়ামগ্রে ওস্থোক্লা—

লৈরিক :— ও। পূরকহোরব্রা ?

লৈশাবীশিং :— (ইরাং লাংনহুনা) পূরকহোরব্রা—, কয়া য়াম্মী, কয়া য়াম্মী—ইস ঐখোয়স্মু য়েংনিংলে—

আমু :— য়ামখুপোৎনি ওস্থোক্লা, মশিং থিবকা ঙমপোৎ নত্তে, অহুমক্তদা গাড়ী অমস্মু য়োৌরকখিনি হায়হোরি। ইবেম্মা নংনা অমুক্তা লৌশিনবীহোরো হায়না ঐনা কৌবা লাক্লিব-সিনি !

লৈরিক :— মাহুদি কদাইদবু থারগনি।

আমু :— ঐনা শীং পৈরিবা শঙ অশাংবা অহু শেংদোক্লনবা লৈকায়গী মীশিংদা হায়রম্লবনি। মাখোয় ময়াম চংহুনা শেংদোকহোরে। ইবেম্মা নঙোন্দা অমুক্তা শিম্নরমগ্রবদি-স্লাররোই হায়হুনা ঐ লাক্লিবনি। অমুক্তা চৎাস—

লৈরিক :— ফগানি বাবা লেংঙসি—

সনাহল :—বাবা চৎলসি চৎলসি ঐসু য়াম্না য়েংনিংলে, থুনা চৎলসি

লৈশাবীশিং :— চৎলুখিসি ঐখোয়সু য়াম্না য়েংনিংলে, অমুক্তং চৎলুখিসি—

লালা :— চৎলু অমত্তং কিন্না শুগে। মীগী লৌ খাওরগা নাখোয়না পাক হেক চৎপা য়াবরা, তুপ্পসু তুপত্রিঙৈনা।

লৈরিক :— ছরেল লোয়না উগদবা লৈরে নখোয়বু য়েংনিংবরনে ?

লালা :— চৎপা য়াদে, লৌ খাওবা লোইত্রিমখৈ।

সনাহল : — ঐদি চৎলসি—

লালা :— চৎপা য়াদে নংসু থুনা চৎনিংলগা ইবান্নিসু য়াওবা খাওরম্লসি।

আমু :— ইবেম্মা সনাহল—নবুংনা হায়রিচু তৌ—

লৈরিক :— ফয়ে নখোয় ভাইহাক্তং শুরমলো অতুগা পুলপ হেক লাকমিন্নরো—

লৈশাবীশিং :— ফয়ে ফয়ে অতুনা ফয়ে।

লালা :— ইমা চাক লোইরমলোকো—

লৈরিক :— লোইরম্লগনি।

সনাহল :— চাক হায়বসি ভাইয়ে মাগীদি

লালা :— নথৌ লৈবরা ?

লৈরিক :— চাক লোইরম্লমদবনি। নখোয় লোইনমক ইমানা চাক চানবা ঐখোয়দা হাপ্লগেকো। লোইরগা নখোয় পুম্নমক হৌনতুনা কামিন্নরোকো—

লৈশাবীশিং : — ফগাশ ভবা ঐখোয় ভবা কায়ক্লগে—

[ময়াম্না থাঙ্গোল অমমম পায়বত্তুনা লৌ খাওগ-দবগী লেপলি। লালানা মখুৎতা, পৌ অমা পায়রত্তুনা পৌ নমগদগী লেপলি। লৈরিক অমশুং আমুনা খজিক খজিক চৎখি। তুং হন্না স্নুম চৎপদা, লৈরিক্তু খুদি থিত্তুনা হেক তুশিল্লি। মতমত্তুদা লালানা থুনা চেনশিল্লক্তুনা মমাবু হৌগৎলি। লালানা হায়রকই—"ইমা! ইমা! নহাক হৌজিক করিমত্তা তুরেরোই, করিমত্তা রাররোই ঐহাক চাওরে।" মমা মচামক ফাক ফাক নোকই]

অপুম্বা ঈশৈ:—

(লৌ খাওবগী তান অমসুং ছন্দদা)

লালা:— হো: ... ...

অরাবা মতম লোয়খরে ইমা।
পারি পাঙ্গল চাওরক্লে ইমা।
পলেম লমন শিংলগে
পলেম লমন শিংলগে॥

(লৈরিক নোক্ল নোক্ল চৎখি। ময়াম ঈশৈ খুন্মী)

ময়াম:— পারী মোমন্থু থাকপদা
লাইর পূন্সি কেম্নরী
মৈতৈ পলেম লাইরবী ও,
অরাবা মতম লোয়খরে ইমা।
পূন্সি ঈপাক লানবদা
অরা কোন্দাই নংলবী

মৈতৈ পালেম লাইরবী ও
ইমা নংগী হৌখিবা ন্নারী
পলেম নংগী লাইর পূন্সি
কাওররোইকো নচা ঐনা
পলেম লমন শিংলগে ॥

"লাইট"

অনিশুবা উৎপা

লালাখোইগী ইমুং মন্নুং ; অপুক নুমিৎ থেংজিল্লক্লবা।

[কাংথোল মখোং অন্নাংবা মফুং অমা লৈ। মায়োম অমত্তং খল্লপা চাখুম লৈ। লৈরংদা চফু উয়াম্নচিংবা লৈরি। লালা চংলকই]

লালা :—(চাকলাম্বগী খোঞ্জেল্লা লাওর লাওরদুনা) ইমা, ও ইমা। চাক……চাক……(লৌশুরুবগী ফিজেৎতা চংলকই, ইমুং মন্নুং কোয়েং য়েংই) ইমা, ইমা—ঐখোয়মাদি………। চাক থোংলমদ্রিবরা তৌরিসিদো—(চাখুমদা চংদুনা য়েংই) আ, আই! থেংত্রিমাল্লেনে, ইমা ইমা থোংঙম্মা জাৎলনে—? (মীরৎ নারক য়েংদুনা চফু মখুম হাংদুনা য়েংই) আ! আই, থোঙমদ্রিমহে। কদাইদা চৎল্লবনোনে লৈকাইদা লংচাক চাকপনি তিল মহুম লৌরনি হায়দুনা চৎলম্ননিয়ে। লৌকায়কপা চাকী মতমনি হায়বদি করিমত্তা খল্লমলোই-

দবনি। ও, থোংথৈ কপনিংলেদকো সৈত্যঃ (চফুদা মখুৎ হুমজিল্লগা চহুম অমথক য়াওরমদুনা মাহু পুথোররক্লগা চাই, খরা চৎথোকই) মীনা লবুক্তগী অস্থক ব্বানা লাক্লগা হৌজিক ফাওবা চাক লোইরমদে। কমাই তৌদোরিবনো—(কপ্লি-কপ্লি তৌরদুনা) ফৈ, চাক্কা অমত্তা চাররোই, তুমদুনা হেক্তা লৈরগে, হৌদোকপগা অমত্তা তারোই। (ফমুংদা কাথৎতুনা হিপখি)।

সনাহল :— (ইরুজরুবগী মশম শমচেৎ হাৎন-হাৎনা চংলকই) লালা—লালা, হায়মা, তুম্লমালেনেহে। ওঝা অব্বাং থুন্দোন্দা তিল মহুম লৌবা চৎখিবনি। মা লাক্লগা চাক থোংনি হায়রম্বনি। লালা—নং তুম্লবরা ?

লালা :— (মমিৎ পাংথোক্তুনা) অঙাং লাংগম্লুকো চাক চাক খরগা লাম্বদা.........

সনাহল :— হায়মা! মপি ঈরা চেক্লেনেহে; অঙাং মচাদোনা মমাই ইকাইদমাল্লে—

লালা :— (শাওনা) অঙাং নং'মসু লক্লরিব্রা ? উশিত্রা, নংসু ঐদোনা কপকেম্না—?

সনাহল :— শাওস্লু শাওরিনহে। চাক থেংবগীদমক্তা কপ্পগা ইকাইগেদি নিংব্রদুনা।

লালা :— তুমিন্না লৈমু চাক লাম্বগী মশাং মনা থংপোৎ নত্তে। চথদো লাংগহু ভানিংদে ফুরক্তি ভৈজো।

সনাহল :— চাক য়াম্না লায়বা নং হেক থোংদুনা চাথোক্লোহনা ?

লালা :— সনাহনবী নং খরা থোঙভন্মু ? ফৱেদা নংনা নিংশিং-
লকপা চৎলো—নং খরা থোঙভন্মু—।

সনাহল :— ঐনবো—!

লালা :— (ফমুংদগী কুমথহনা) খরা থোঙভন্মু, মরম মোকই
অহু ওইরবদি ফুবীরোই—।

সনাহল :— ঐনবু নখোয়গী চাক কমাঙ্গনা থোংদোরিনো ?

লালা :— চাক থোংবা ফাওবা হৈত্রবরা ?

সনাহল :— বাবানা চৈগনি। নখোয়দি মৈতৈনি হায়। অস্নুক
কুইরবসি অমুক্তা থোংদ্রি।

লালা :— নং ওসি ইরুজদ্রা ?

সনাহল :— অহুবুদি হৌজিক্তা লুজরুবগী শমজেৎ হাৎলিসিনি।

লালা :— অহু ওইরবদি শেংলে, বেরা লৈতে। থোঙঙ্রো চৎলো ?

সনাহল :— ঐ ঙমমোই ফত্তে, বাবানা নখোয়গী চাকখুম শুং-
শোক শোক্লনু হায়। ঐ ঙমলোই।

লালা :— হে মীনা চাক খিত্তা থোংঙ্ হায়রগা বেরা ভৌই,
খুবাক্না থাজিনগে......(মমিৎ শংদোক্নুনা য়েংই)

সনাহল :— থোঙভিদৈদা ওঝা লাক্লবদি......

লালা :— পরপ পরপ থোংগদবনি। চৎলো ব্লা ঙাংলিদৈদা
মতম হৌখ্রে। চৎলো মৈ হৌগৎলো—

সনাহল :— নখোয়' ওঝা লাক্লবদি ঐ খংদেকো......

(চক্ল খুদাপ অমা পায়হনা চাখুম চংঙ্গে)

লালা :— পরপ পরপ থোংঙ্ হেক লোয়ত্রি'খৈ চৎপা য়াবে

চৎলবদি খুম্বাক—। পরূপ পরূপ থোংঙ্—(চাখুম ময়াদা ফমলহুনা শেন্নরি। সনাহল্লা কল্লা মৈ হৌগৎ লাক্লরি) অদু কয়াম য়াই, কৈদৌই—?

সনাহল :— য়াবগী নত্তেএ, ওঝাখোয়মা চাখুম মাংলে হায়রগদ্রা তৌবনি।

লালা :-- কবিগী মাংলুনি। হাওনবদা থোংঙ্, মরাইনা মুতিগী থোংঙ্ হায়জনি। কাওবা ঙমদহুনা—

সনাহল :— লালা, ঐস্মু মৈতৈ ওঙ্গরগেনা নখোয়গী চাক মুতিগী থোংবা য়াননবা।

লালা :— নংদি মৈতৈনিনা। মুতিগী ইরুজে, য়ু থোংবা য়াওদ্রে; য়েন চাদ্রে নংদি মৈতৈ ওল্লেনা।

সনাহল :— অঙাং পিশক পিক্লিডৈদগী মৈতৈ ওন্নবা, নংগা লৈমিন্নবা য়ানবা য়েরুম ফাওবা চাদনা মুতিগী ইরুজরিবনি। অদুগা ঐবু হৌজিক ফাওবা বাবাখোয়নদি মৈতৈ নত্রি হায়। লালা কয়াম কুইফাও লৈরগা ঐবু মৈতৈ ওনবা য়াগনি?

লালা :— মীনা ওল্লে হায়রিমগুদা, লুহোংলকান্দা য়াগনি।

সনাহল :— লালা হয়েং ঐনা মৈতৈ ওল্লকান্দা নখোয়গা লৈমিন্নসিকো। ঐস্মু নখোয়' নাক্তা লৈগে।

লালা :— মৈতৈ নত্রবদি লৈমিন্নবা য়াদ্রবরাও?

সনাহল :— য়ারোইনে, ময়াম্না য়ারোইনে।

লালা :— য়াই বেন্না লৈতে লৈমিন্নরা লোয়রে!

[লৈরিক্লা মতমহূদা মপান্দগী থরা থাপ্লপ্লা "লালা লালা—" হায়না কৌরহূনা চংলকই। সনাহনবীনা খাবৈ পায়হূনা চফু কন্না ওংলম্নদগী ইপা পাখংনা লেপ্পী। লালাস্থ পাখংদি]

লালা :— হায়মা! ইমা লাক্লে কমাই' তৌনি?

সনাহল :— কমাঈ তৌবি— ঐনা হায়ব্রা......(ইথক থকই)

মপান্দগী লৈরিক্লা :—"ইচা চাক লায়ন্নানি হায়হূনা পরপ পরপ লাক্লবনি।" থোংঙুরগে—

লালা :— হায় কাংখদা – কাংখদা—

সনাহল :— কমাঈনা তৌদগে—(ইপাপাখংনা খাবৈহূমগা কাংখ চংই)

লৈরিক :— (চংলকই) ইবুঙো লালা—

লালা :— হাউ! (ফুরিৎ লৌথোকপা লাকনৈ)

লৈরিক :— ইচা চাক লায়ন্নানি ইমা থোংলুরগে, ঙাইহাক্তনিদা চংলো ইরুথোক্লুরো (চাক থোংঙম্বহূ উবদা ঙক্লা) হায়মা, চাকসিদি কনা' থোংলিবনো?

লালা :— (ফুরিৎ লৌথোক লাক্লহূনা) মতোমতা থোংজন্নল্লিবনি।

লৈরিক :— করিনোনে, কনানা থোংঙিনোনে—?

লালা :— ঐনা থোংঙিনিদা।

লৈরিক :— নংনা! ইরুস্থ লুজদনা—

(সনাহনবীনা ভাঞ্জাহূদা কাংখদগী হাকথি কন্না অনিরক খনতোরক্লে)

লৈরিক :—(ঙল্লা) কনানো কাংখা মখাদগীসে—?

লালা :— (নোকথোরক্ত্না) সনাহনবী।

লৈরিক :— হায়মা! করি ভৌরিবা?

লালা :— ঐখোয়দা লাকপদগী ঐনা ফাহনা চাক থোংহনবনি ইমা লাকপহদা কিহনা লোৎলিবা।

লৈরিক :— হায়মা—, অহৎ করি ভৌই হায়বগে; ইচানা ঐ-খোয়গী চাক থোংবীববু। লাও লাও থোক্লকউ লাও লোয়নবহুম থোংঙরো লাও ফনহুম ফরে।

লালা :— ইরুজবদা ঙাইরিবনিদা। হায় থোক্লকলোহে?

সনাহল :— (কাংখদগী খাবৈহুমা পায়রগা মমাই ঙাংনা থোরকই। মরু লুকথহনা চপ লেপ্পী)।

লৈরিক :— কৈদৌবগে ইচানা ঐখোয়' চাক থোংবীববু। হাওহুম হাওগদবা মাল্লি। চৎলো লোয়নবা থোংঙ্রো—

লালা :— মানা থোংবদি য়াম্না হাওবনি—

সনাহল :— ঐদি ঙমলোই হায়, মানা নমহনা থোংহনবনি।

লালা :— মাদি তল্লি হায় অহুদা ঐনা চাক লাম্মনগ্রহনা নমহনা থোংহনবা। ইমা মাস্থ মৈতৈ ওনহল্লসি নাস্থ মুতিগী ইরুজে; শা ঙাকা অমত্তা চাদে।

লৈরিক :— ইচাদি মৈতৈ ওল্লনি। ইচানা থোংবা চাক্তী য়াম্না হাওনি চৎলো থোংদোক্ল্রো, ইমাস্থ চাকলায়বনি।

[সনাহনবীনা পাক হেক চংবা ঙমক্রহনা মথুংনা খাবৈ নাল্লা-নাল্লহনা চপ লেপ্পী]

লালা :— (পোংহ্ননা) হায়, ঐ ইরুজরুরগে চাক লোইরমলো। নত্রবদি ফুজনি। ইমানা য়ারিভৈদা পরপ পরপ তৌজৌ নং ঐখোয়দা লৈমিন্ননিংঙি হায়বদাই, ইমা'য়ান' চৎচো—
(সনাহনবী মখা চিক্ত্না লালাদা য়েংই)

লৈরিক :— চৎলো চৎলো মৈ অসি মুৎখিদোরে—
[সনাহনবী চাখুম তম্না তপ্না তপ্না চংশিনখি]

"লাইট"

অহুমশুবা উৎপা

ফি শাফম মফম ; অয়ুক থবক পায়খৎনরকপা।

[লৈশাবী মচা ময়াম ফি শাবা, লুমান লোনবা অমস্থং লং নাইবনচিংবা তমলি। লৈরিক্লা ময়ামগী অশোয় অঙাম তাকপিরি। মাখোয়হ্ন য়াম্না হুঙাইরি। অমনা ঈশৈ শুংই, ময়াম্না হেক খুম্মকই। খর'মনা অশোই অঙাম লৈরিক্তা হংঙি। খুৎলোন ফজনা লোন্দুনা লোইরবা ফি অমনিদি য়ান্দুনা ময়ামদা উৎলি। লৈরিক্লা য়াল্লিবহ্ন অমা য়েংই।]

লৈরিক :— অসি কনাগীনো, লোয়দাংনা লোনবরা ?

লোয়দাং :— মানি ওঝা।

লৈরিক :— মাগীসিদি য়াম্না ফজরে (মথক মখা য়েংই) মপানসি ফজনা খোপ্ন, মচৌ মচা নাইহনগম্ন। (কাপি তৌহ্ননা) ফবু ফজরবদি অরেব্দা মাংরা: নত্তে, ইকাৎলদবু সুখংগ্রবস্ন

মখোয়, মখোয়গী পাকর্মবু লৌশিনবগু (মখাই নোকই)
অসিগুম্বা কত্রং, মুকানা শাবা লোনবা ফি ইম্ফালদা য়াম্না
ফাংই। মমল য়াম্না য়াম্মই।

লোয়দাং :— ওঙা নহাক ঐনা অম্ব্রোদা চংলুবদা অম্ব্রোগী ঘন
ডাক্তর লৈরিকদো, মতুংদগী নিপা অমুনা ঐনা সিদগী লোম্ফুংদা
পুথিবা ফি অমা য়াম্না মুম্না য়েংলগা, মাম্না ফজে ইম্ফালদা
অসিগুম্বা লৈতে মমল কয়া . পিকা হায়তুনা হংইসে।

লৈরিক :— মমল য়াম্না পীবা জাংনি, নখোয়না লৈবা ওমপোং
নত্তে হায়নি।

লোয়দাং :— মানা লৈজরগে হায়না য়াম্না হায়রে অতুদা ঐনা
লেম্না হেক পীথোক্লমলে।

পেৎতু :— এঃ এঃ মানা হেক ইম্ফাল মুপাতু পামজরদনা ফংস্নু
ফংলরোইদদা। (মখাম নোকই)

সনাহল :— ওঙা লালাদি করম্বাকান্দা হুন্নকদবনো ?

লৈরিক :— খংদেনে। অস্নুক থাপ্পা লম অসিদা, ওরাং মুমিদাং-
ম্বাইদগী চৎখিবনি। ঐবু লৈবা য়াশিল্লক্লে, কমদৌরমগ্নদবনো?

সনাহল :— মখোয়গী জাপান লৌভসি উরুবদগী ইম্ফাল অস্নুক
তোইনা চৎলিবনি করিগীনো ?

লৈরিক :— চৎতবদি য়াদতুনা মতৌরিবনি। মাখোয়গী লোকী
বাবুমনদি য়াম্না মুনা তোকীদো।

পেৎতু :— ওঙা নহাক লৌমিকমনা লাক্লবা বাবু অনিগুমু ইম্ফাল-
দগী লোগী বাবু হায়বরো ?

লৈরিক :— মানি মানি।

লোয়লাং:—মখোয়গী ইম্ফালগী বাবুশিংসি মগুং অমা ওইনা তৌইনা ফিজেংকাসি জাং অমনি।

পেৎনু :— মশমকাসি জাং জাংনিহে। লাইবক থাইদা খংল্লাং ল্লাংখৎলি। ঐখোয়দকাসি মুন্না মুন্না য়েংনরগা মবান্নি মরোল-কা লোন্নরিপোৎনি। লালাদি ইম্ফালদা য়ান্না চৎলবনিনা করি করি য়ান্না উবা ফংলম্লনিকো।

সনাহল :— উরম্লনি। অদুগা ওঝা মখোয়না নহাল লৌয়ৈফমদা লাক্লগা ফৌথোকা লাইরিক্তা ইশিনাগ্নিবত্ন করিগীনো?

লৈরিক :— অতৈ অতৈ লমশিংগীগা ফৌথোক হেনবা তান্নরিবনি হায়বদাইনে।

সনাহল :— হেল্লবদি করি তৌদোরিবা?

লৈরিক :— হেল্লবদি মনা পীগনি হায়এ।

পেৎনু :— ওঝাখোয়দি ইম্ফালদা য়ান্না চৎলে হায়বদাই। ইম্ফাল সিবু কমাঙ্গ কমাঙ্গ তৌই?

লৈরিক :— অঙক অঙকপা পোৎ-চৈ য়ুমকা য়ান্না উবা ফংই। নখোয়স্নু মরাইনা পিক থন্না উরকখিনিদা।

পেৎনু :— য়ুমসি মরোল মরোল অহম-মল্লিকা লোন্নবা য়াওই হায়বদাই। ওকেসি থাজখলগা মিৎশি অমুক্তা পেন্নবা য়েংজ-নিংল্লেদা। মাহুদা লৈবা পাখংকাসি মশক য়ান্না কজমাল্লে ঐখোয় তাচৌনা হায়রিবা মুপীকাসি পোৎলোই শেংল শেংলহুনা পংখোক্তা থোক্লকই হায়।

[মতমসিদা লালা ফৈজোম অমা কৌরপ শেংল-
ছুনা মৈতৈরংগী ঋুরিং অচোনবা অমা লিংলছুনা, মখাংদা
মুকাগী খাংচেৎ অমা লাক্লগা চংলকই। ভুং ওইরপা
য়োক্কী থবক তৌবা নিপা অনিথকস্ন চংলকই]

লালা :— ইমা !

লৈরিক :— ইবুঙো নং লাক্লবরা ? (ময়াম ইরাং লাংঙি)

লালা :— বাবু লেংশিনবীরকউ—ফিদা ফিদা বাবুখোইগী—

লৈরিক :— ইবেম্মা সনাহল ফিদা-ফিদা—

[সনাহনবীনা ফিদা থাই ময়াম্মা কিবোই লাকপোই
ফুক ফুক হৌগৎনৈ]

বাবু :— ফরেদা ফরেদা—

লালা :— বাবুখোইগী করি সেবা তৌগনি, খুদোং হাল্লকও—

লৈরিক :— ইবুঙোখোয় খুদোং ফানগদ্রা ? ইবেম্মা অমুক্তা—

বাবু :— ইমা, ঐখোয় তৌজরোই চুরুট য়াওজরি।

লালা :— আদা ঐনা চৎপদদি বাবুখোয়না ওম্বোক্লা লুনা তৌবী
সোমদা লাকপদস্থ অওম্বা ঐনা সেবা তৌজগনি। ইমা,
ইমা! চাক লাংঙু বাবুখোয়গী লুক কৎননবা।

লৈরিক :— হোয়, হোয়—অদুবু আঃ ইবুঙোখোয়না থোংগদ্রা ?
ঐখোয়না হোৎনবত্থ চাবীগদ্রা ?

লালা :— করিনো ঐখোয়স্থ মীনিনে, মৈতৈনি। বাবুখোয়বু
হংগোইবীবরনে ?

বাবু :— করিগী হঙ্গোইরুদগে, ইচলশিংনা থোংলগা অদুমওাই
হঙ্গোইবা হায়বা লৈবরনে ? লালা বাবুস্থ ঐখোয়দা চাবী-
রিজু মওাই।

লৈরিক :— অহুদি ইবেম্মা নখোয় অমা'নি ইরুজখোক্তু্না কোন-
লিক ফেংদোক্লগা মাঙ্গোন্দা থরা থোংনবা ল্লাংঙু।

[তাঞ্জাহুদা স্নাহুনবীনা ভাস্থুক্ অমদা হিদাক হায়হুনা হৈক পুথোরকই, অহুগা বাবু অনিহুগী মনাক্তা থম্মী। য়ায়া কিনা হৌবমে]

লৈরিক :— হায়মা। লারৈদি—

লোয়দাং :— সিদা লৈরে। (পুথোক্তু্না থোক্লকই। মনাক্তা চংবা কিরহুনা লৈ। স্নাহনবীদা পীশিল্লি স্নাহনবীনা নাশোম্লনা হায়রকই)।

স্নাহল :— নং থম্মুচোদনা—

(বাবু অনিহুনা হিদাক্তু্দা গুল্লা য়েংই)

বাবু :— ঐখোয় হিদাকসি কয়া হৈনজদে। লালা বাবু তৌবীয়ু ঐখোয় চুরুট অমুম থক্চগে। (ফুরিং খাওদগী চুরুট পুথোক্তু্না অমমম চম্মী, ইবেম্মা নখোয় থকপা হাওরা থকউসে—ইমাস্থ ফানবীয়ু।

পেংম্ম :— বেরি নত্রদি হৈতে থকওই।

লালা :—লৱাই মুপীশিংসিনা হৈপোৎ নত্তে মাহু থকপাকা।

স্নাহল :— মানা ইস্ফাল খরা তোইনা কারগা পোংলিএ।

লালা :—কাচিন্দা লৈবা নখোয়না খংপোৎ নত্তে। অহুদি বাবু ঐ ফি-রোল অমুক্তা হোংজরুখিগে—। (চংখিবা)

লৈরিক :— ইবুঙোখোয়বু ফি রোল হোংদোকপীরো। ইবেম্মখোয় নবংশিংগী হোংদোকপা য়াগিদবা ফি অনিদং য়েংলকউ—

(ঙ্গাইনা ইমুংদগী হোংদোকপা য়াথা মৈতৈরংনা মঙ্গেক খোঙ্গা য়াম্না ফজনা শাবা ফি-অনিথক পুথোরকই। মাচু উবদা য়াম্না থবাহি চংনা বাবু অনিচু য়েংই)

বাবু :— ফি অসি ওম্বোক্না ফজগ্রেদা। ইমাখোয়গী অদিনা শাবা ফি-রোলশিংসি ওম্বোক্না ফজগে। অমুক্তা উদবা অনৌবা মওং-তাক্তা ওম্বোক্না পুথোরকনে। থোৱী অাদিমক্তা সোয়দবী পুরকপা ফি-রোল খুম্না। লোনবা লুমাবশিংসি উবগা ইওক ওক্নরে। ওম্বোক্না থাগৎনগ্রে মমল য়াম্না পীচুনা লৈগে হায়নৈ। B. D. O. অমুক্তং শোইদনা লেওক্লমনি। ইমাখোয়গী ইমু অমদি লালা য়াম্না থাগৎপীগ্রে।

লৈরিক :— ইবুঙ্গো কমাদা থংবনো পংহোৎ হোক্সবা হায়বন্নি।

বাবু :— (য়েংথংলুবদা য়াল্লিবচু উই) ইদ, অসিদসু য়াম্না ফজরবা অমা লৈরেং (মূম্না য়েংই) কয়াদা ফজখ্রবনো?

লৈরিক :—অঙাংশিং অসিনা তমখোই লাকপোই অসুম হোৎনজবনি অচুদা লাইবক ফরুচুনা সরকারনা মুংশিবীরক্লে। হুন্দক খুৎও খুৎলাই, লংনটিংবা ওম্বোক্না য়াম্না পীবীরক্লে।

বাবু :—ইমা মীওইবগী হোৎনমন হায়বসি অরেম্বদা থক মায়না নম্বে। ঈশ্বরনা মাগী মাগী থবকী মহৈদি হেক্তা পীরকই। লালা বাবুগী হুন্দকী ফোথোক অসিসু য়াম্না কচৈ হায়নরি। ময়াম্না থাগৎনে। অচুমকপু হৌজিকতা লৌ পুম্না লোয়নজিবানিদা অরেম্বা থবজি। কাচ তাগদবা কারিনো লালা

বাবুগীস্থ লৌক্রম খরা অমগা লৈরিদনা, মাহুনা অমুক হেন্না কৈ হায়বদাই—

লৈরিক :— অমহুনা খরদি হেলমাল্লে। করিগুম্বা ময়ামদগী হেন্নগা কম্দৌবা ?

বাবু :—গর্ভমেন্টতগী মনা চাওনা ফংবাগনি। হাকুম ফাষ্ট তাখিবা অহুস্থ য়াম্না ফংখি। লৌ-উবগী খুংগু খুংলাই হায়নচিংবা লেম্না য়াম্না পীখে! হাকুম মানা ফংখিবা অহুদগীদি হন্নকী লালাগী ফোঁথোক্না হেল্লে। অঁহুনা ফাষ্ট তাগদ্রা হায়না— খন্নরি।

[মুপী মচা লৈশাবীশিংহু ইঙক গুক্না লেপ্তুনা তারি। লালানা থাং অমা য়েপ্লহুনা কোকশেং অমগা থোক্লকই]

লালা :— বাবুখোয় চাক থোংলিভৈদা পামদা গুইহাকি লেংথোক্লসি।

বাবুশিং :— ফগনি। (হৌগংলি) এর্মা ঐখোয় অঙাই কাওবা চৎখোকচরকখিগে।

লৈরিক :— লেংথোক্ল-লেংথোক্ল ইবুঙো। মচনশিংবু চাক ঙশিং লোয়হল্লন্নগে খরা থুনা হেক লাকও—।

(লালা বাবুশিংগা থোকখি)

ইবেম্মাখোয় খেংখ্রনি। হোৎনরো হৈ, নিংথিনা হোৎনৌকো। ইক্কালদগীনি ব্রায়োং চাক্রগা নোকনজখিগনি।

(আমু চংলকই)

আমু :— ইক্কালদগী বাবুশিং লেংলকপরো?

লৈরিক :— আ—লাকই বাবা, লালাগা লাকমীননৈ।

আমু :— অহু— ব্রা 'খরা হংগৎকে হায়ববু কদাইদা লেংগ্রবা— ?
অমুক্তা উন্নহৌগেনে—

লৈরিক :— লালাগা পাম য়েংলুনি হায়না থোকগ্রে। সিদা চাক চাগনি লাংঙম্মু হায়রম্মী। মুপীমচাশিংনা হেৎনরিঐ।

আমু :— কয়ম্লনো, মাখোয়বু মৈতৈ নত্রো ?

লৈরিক :— য়াগনি। লৈশাবীশিংনা হেক্তা থোংহনবীয়ু হায়।

আমু :— অহু ওইরবদি নিংথিনা কৎলু, নিংথিনা কৎলু, য়েন মতুকা পাইশিননিকো। হায় স্নাহনবী নংদি ইপা'চাগী চখোমমক্তং থোংলুরোদনা ?

স্নাহল :— হোয়।

অমনা :—ওব্রা মাখোয়গী এঙ্গাংদি করি থোংগনি, মাখোয়সিবু য়েক্লমকা অমত্তা চাদবরা ?

লৈরিক :— হায়হৈদে মীনা হঙ্গোয়খিনি।

আম :— হায় তৌহৈদে অহুগুম্বা পনগম্নু, লব্রাইসিদে। আঃ ইবেম্মা লৈরিক্, হয়েংদগীদি অব্রাং লৈকাইদগী লৈশাবী তরামুক অমস্নু হাপচিল্লকদৌরে। ঐনা ঙসি নোঙ্গাননৈদগী শাওহুনা য়ুমথোং থুংলুরবনি। করিনো মাখোয়না পোইন্নু য়ৌর ক্যাওবা মচা-মশু মহৈ তম্বীরগা তুমিন্ন তুমিন লৈথোকপা য়াব্রা, অহুনা হয়েংদি লোয়নমক ফৌ কারক্রো হায়রম্লবনি। অনৌবা য়াওগদবনা কোম্রনা চংলক্লনি।

লৈরিক :—করি তৌরুগবনো বাবা, ইচাশিং মহৈ হৈরগা লোইরেদা।

আমু :— অহু. য়াদে ঐনা শিল্লি। অাঁ : বাবুশিংহু লাক্লগা ঐহু তাকলকউকো,-লান তৌরনি হায়ন্থু চুম্ব্রা হংগে তৌনি। হায়, নিংথিনা কৎলু— নিংথিনা কৎলু—। (থোকখি)

"লাইট"

মরিগুবা উৎপা

[illegible] ; [illegible]

[[illegible] হৈ-রাগী মরোম [illegible] অহুগা লালানা [illegible] পুরহুনা থরাই [illegible] চৎলি]

স্নাহনবী :— থোংলে পরপ পরপ চৎলসে—

লালা :— চৎলিসিমন্তদা করি তৌরবগে ?

স্নাহল :— হেন্না থুনা চৎনিংলে; থুলগী মীপুম্বা তিন্দুনা লৈহৌরবনি। তাইনরল্লগনি। মথোয়না মানা কংবগী ময়াম য়াম্না হরাও-নহৌরে।

লালা :— ঐ ময়াম্না চানবা হৈ-রা হেক্লু রিবনি।

স্নাহল :— লালা ঐনা ওসাই লৈ ফজবা পৈরং অনির্থক লৈংলম্মী। হৌরেল ময়াম্না ওবাগা নংগগী ভুকশমদা লৈ হৈকননি হায়নৈ। ময়ামা হক্লত্রিভৌদা ইহান হান্না ঐ নংগী ভুকশমদা অমত্তা হুকেক্কা।

[illegible] : [illegible]

স্নাহল :— অহুগা নংসু ঐঙোন্দা অমত্তা হুকপিয়ুবা ?

লালা :— হুকপিগনি। শেংনা ইরুক্কথোকউ— নঙকণমগহ মুরা থাংহনগনু ?

স্নাহল :—হুকপিগনি হায়রবদি মঙারক হন্না ইরুক্কগে। ঐবু মুরা থাংবরা, মোংপরনে ?

লালা :— মোত্তেদা মুংশিদ্রা।

স্নাহল :— লালা, তশেংবরা নং ঐবু মুংশিবরা ?

লালা :— মুংশিএ।

স্নাহল :— ঐনসু নংবু মুংশি। ঐবু মৈতৈ ওনবা য়াম্নিবরা ?

লালা :— মীনা নহান্না ওল্লে হায়রমক্তদা। ইমানসু হায়রেদনা অসিদা সুম সুম ঙাংঙিবসিবো, ফুররনি—

স্নাহল :— মুংশিরগবু ইতং তত্তনা ফুবা—।

লালা :— মুংশিবা হেঙ্গল্লরুবসু ফুনিংলকই। কপ্পহ অমুক য়ংনিংলকই। ঐখোয় ইতাওহোই কোম্বোং য়ৌরকএ। ইতাওহুবু চংলম্নদ্রা (লাওনা কৌই) ও, ইতাও—! ইতাও!

স্নাহল :—চংলমলনিদা কৌবা তাদে।

লালা :— চংলমখিরোই নং সিদা ফমলম্মু ঐ অমুক্তা চংলুখিগে।

স্নাহল :— ঐসু লাকে।

লালা :— (শাওনা) ঙাইহাক্তা ঙাইরম্মু হায়রগা। নং ঐগা ঙাইহাক্তং কায়নরুদা শিদি শিরোইদনা।

স্নাহল :— চংলুরোনে, অহুগা পরপ-পরপ থোক্লকক্তকো ?

[লালা চংখি। স্নাহনবী লেপ্লুনা লৈরোই। ঙাইহাক্তে

নৈরগা নিলো অমস্থং তোমাল ন্নারী শানা শানা লাকই]

তোমাল ঃ— ইতাও মুপীমচাসিদা অমুক্তা হংহ্রনা য়েংগে। (ম্নাদা) আঃ ইবেম্মা ন্না অমত্তা হংজগে ?

ম্নাহল ঃ— (কিহ্রনা ইথক থকই থর থর নৈশিম্নি) ঐ খংদে।

তোমাল ঃ— মুপীমচা করিমত্তা চিংনহ্ন, ন্না অমত্তা হায়গে নংবু ঘাইদন্নীরা ?

ম্নাহল :— ঐ খংদে। ও — লালা ম্নালা ! লালা ! (কিনা কিনা লাওরকই)।

তোমাল :— ভাইখো মুপীমচা, ঙক্নম কৌরিবা লালা হায়বহ্র কনানো ?

ম্নাহল ঃ— ইবুংনি, ও লালা ঐ খংদে (চেনশিনরে)।

তোমাল ঃ— ইসে ওম্থোকপনিদা।

নিলো ঃ— ইতাও হায়রিবা খুল অহ্র মসিনি। অহ্রবু ইতাও মহাক হৌজিক নৈরি হায়রা অসিদ্দি ঐখোয়না খংবা ভমলে অহ্রগা মহাক অহ্রবু ... ... (চিংনবা মঙ)।

তোমাল ঃ— ইতাও নৈরিক য়াম্না পুকচেল শেংলবী মপুরোইবা নিংজরবী মুপীনি। ঐখোয়না নহানমথৈ মাগী ঃ অরেম্নহ্র খঙনবা মরি মথোং হংহ্রনা থিরক্র। মাবু খংনবাঃ ম্নোকী মীশিংনা মাবু য়াম্না থাগৎলি, মাগুম্বা মথোনা নৈবী মরমচং কজবী মুপীদি ম্নতাওবনি।

নিলো ঃ— ইতাও বীরনা মমাংঙৈদা ... ...

তোমাল :— বীরনা অমত্তা ওইবা য়ারাই। মহাক্না লৈরিক্তা লমচৎ মাংহনগে হায়না হোৎনরবদা থব্রাই লৌবন্থা, হাৎলন্থা মঙাই। বীববু হৌজিক ফাবুনা জেন্দা থম্লিদনা মহাক্কী দগ্গি হায়বর্বু সিমঙাই মহাক হৌজিক ময়ালগী মতিক থোকপা চৈরাক ফংলবনি।

[মতম অসিদা লাপ্পবা খুল মন্নুংদগী পুং-শেংল য়ৈরকপগী খোম্লেল অমদি বাঁশি খোম্লেল তারকই। নিংথৌ অমদি ভোমদি ওমী ভারুনা লৈ। অদুগা লমাঁদা (খুলগী নিংদা) তোনাস্থু মরাইবক্তা চন্দোল পাক্কা থিল্লহনা, লৈ নাচোম অমা চাউনা চিন্নগা লাকই]

তোমাল :— ইয়াম্বা ন্না অমত্তা হংজগে?

তোনা :— (মেরোল খোইনা) করি ওইরমনো?

তোমাল :— করিগীনো অসিদা য়ৈরক্লিবা মখোলসে—

তোনা :— খুল কুম্মে তৌখীনি।

তোমাল :— করি কুম্মেনো?

তোনা :— ঐখোয়গী খুন্দগী [illegible] অনি সরকারমা মনা পিনবা [illegible] লাক্লে [illegible], [illegible]বদি।

[illegible] :— য়াম্ব. [illegible]সু, [illegible]. [illegible]ংবা য়ারোইদরা?

[illegible] :— [illegible]বদি [illegible] অমত্তা তুমিনা [illegible] কমাদুনা [illegible] য়াগনি [illegible]. য়াম্লোইরক্লে।

তোমাল :— ঐখোয়সু [illegible] [illegible] [illegible] তুমিনা।

তোনা :— অদুওইরব্রদি. য়াগনি।

তোমাল :— অহুদি কদাইদা লুজগনি ?

তোনা :— অসিদা ইরুনবা পুখ্রি লৈরে।

[মখোয়গী মায়োক্তা লালা চংলকই]

লালা :— [তোনাদা] তা-তোনা, নং কদাইদনো ?

তোনা :— ইবুঙো লালা ইয়াম্বস্ন নখোয় মনা কংনি তাবদা হয়াওরেনে, অহুদা খুলদিয়বা য়াওবা লাকপনি। নং কদাই চংলুই।

লালা :— তা তোনা ঐ ইতাওখোয়দা মা হংলুবনি। অহুবু মা হায়া চংলমলে।

তোনা :— ইবুংঙো লালা মুপা অনিসিস্থ খরা য়াওগে হায়নে, মখোয়স্থ ইরুজরগনি। ইয়াম্বগী চন্দোনসিবু য়ারক্রা খরা য়েংবীয়্ — (চন্দোন য়েংহল্লি)

লালা :— কনানো— মখোয়সিদি— ?

([illegible] লালানা নিলো অমগুং তোম্মান্না য়েংই)

তোমাল :— (লালাদা মুন্না য়েংলগা) লালা— নহাকী নমিং লগা ?

নিলো :— (মমিং উইশন্দুনা) ইতাও অরেপ্পা অহু তাকলো ইহাকি থাংবা ভমলক্লে।

তোমাল :— ইবুংঙো নহাকপু লৈরিকী মচা

লালা :— (হৌমা) ইপল, ঐহাক লালানে। নংবু ইপল তোমাল নত্রা ?

নিলো :— লালা।— ইপাসা ইবুংঙো—

লালা :— (ইশুক শুকই, মপাদা মুন্না য়েংই) ঐহাক— মুং মংলে !

তোমাল :— ঐহাক তোমাললি, লেপ্লিবসি বীরানা লৌনম তৌহুনা নখোয়দা শিগ্রে হায়জিল্লম্লবা নংগী বাবানি। নহাক খংব্রব্রা ?

লালা :—ঐগী বাবা !!—ঐগী বাবা !— (চংশিন্দুনা নিলোগী খোং ময়াদা তুথখি)।

নিলো :— লালা ! ইপাগী ইবুংঙো !!

[মচাবু কোনখৎলি]

"লাইট"

মশাশুবা উৎপা

লালাখোয়গী শুমাং; সুমিদাংমাইরম।

[খুলগী মীশিংছু মমাইদা চন্দোন পাক্ল-পাক্লা থিল্লহুনা লৈ। মখোয় থাদিগী ফিরোল্ল শাক্তা লেংলি। লৈশাবীশিংমু লৈ-নাচোম চাওনা চাওনা চিল্লহুনা লৈরি। রেডিও অমসু লৈ]

আমু :— মখোয়গী রেডিকোং অসিবু খোংলক্কেদা কল্লাম য়াং-লিলো ?

পেংছু :— রেডিকোং হায়বা নত্তে ইপল ; রেডিওং হায়বনি।

মীনা নোকনগনি লৱাইনি হায়তুনা ৱেডিকোং ৱেডিকোং হায়ৱিসিবো, ৱেডিওংতি হ'য়ত্ৰদনা।

আমু :— কনা থংবনো নখোয়গী লোনসি। অহুবু নহানথৈদি মৈগুদা হেক হেক খোংলকপনি ওসিদি হুংশিং য়াওত্ৰবা চন্নী য়াওত্ৰবা থংদ্ৰেনে—

পেম্বমু :— মতম য়াংলিয়ে অহনি।

আমু :— ওইৱক্ৰেদা, অথংবা নখোয় অমুক্তা মনসি লৈকখুনে—

প্রেম্বমু :— ঐ ভৱি, ঐ ভৱি। ঐখোয়না হেক লৈরুবদি থক্লি লানমালে হাওসু, ময়াংসু, মৈতৈসু পুৱশ হেত্না য়ৌ-য়ৌ, ৱা-ৱা থংনৱকই, অমনা ওয়াংই, অমনা তাদে। অমনা হায় অমনা তাদে। ওবাখোয়না লৈয়বদি অমমদা মৱেক শেংনা থংলকই।

(মতমসিদা লৈৱিক থোক্লকই)

আমু :— (লৈৱিক্তা) ইবেম্মা নলমহুবু হক্লকপ্ৰা?

লৈৱিক :— লাক্লি বাবা, মা পামদা ওইহাকং চংখিবনি।

আমু :— হয়েংদি মানা লোবা চংপা তাৱেদনা নমা নচামক। ঐখোয় থাই পুন্নমকসু চংকদবনিকো।

লৈৱিক :— বাবা মহুগী মনা পীগদবা মুশিং অহুবু ওসি ওই-ৱমলেনে। ঐদি তাব অমা তোকৱে, লাইৱিক য়েংবদা ওমি ওইৱমলেত্ৰ।

আমু :— ইস। কৱিনো হায়ৱিসিবে। অহুদি কৱমনো চং-থোকৱিবে—

লৈরিক :— করি তৌরুগবনো বাবা। ঐখোয় চৎলুদে হায়রুনা মাংগদবস্থ খোইনা লৈতে। হয়েং শোইদনা [illegible] মীনা থীরকদবনি।

আমু :— অছু ওইরবদি কৈদন — ? ঐদি বাই [illegible]রে। মাখোয়গী রেডিকোৎ হায়ব্রা রেদিওৎ হায়রো কৈনো অসি মানা থর লৈখৎলম্মু॥ [illegible] লৈখৎলরদি [illegible] [illegible]ইদু হবে।

লৈরিক :— (চংশিন্নুমো) রেডিওদা [illegible]কচিংবা শেমঙনা [illegible] [illegible]

রেডিওগী হায়রকপা শাওন্নু—

"অসি চহি [illegible] [illegible]রাংগী অকোইবদা অমপাবদা থোরম অমা পাংখোকখ্রে, চীংমী অমসুং তম্মী প্রজাশিংনা মসুংদগী লৈবাকী শেমগৎ-শাগৎপগী মরিদা অকনবা থৌদাং লৌবিখিবা ইচিল ইনাওশিংনা॥ মসি [illegible] [illegible] প্রজাশিংগা [illegible] মখোয়গী থাজব পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মতৌ শীবমি হায়রনা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা হায়বাখিবা মনা ফংবীখিবা মৌলিক থর পজরি :—"

অইনবগী লাইত্রম লৌরিক দেবী।

[illegible] কি শা [illegible] হৌশিংলবা মৈতৈ মুনা অমনি। মহাক্না খুজংগী মুপীমচা কয়া [illegible] [illegible]-মশিং [illegible] [illegible]শিংখিবা[illegible]। [illegible]পুরগী [illegible] [illegible] পোখোকী মসুংদা থাইদগী মরুওইবদি [illegible]বগী

থবক্নি। অতুনা সরকারনা মসিদা মায় ওনশিল্লি, চহি মঙাগী থৌরাংদা মীয়াই চল্লবী মৈতৈ ইমা অসিনা অকনবা থৌদাং অমা লৌরম্লে। মণিপুরগী অথাপ্পা লমদম অমদা লৈ-তুনস্থ নোম্বা কল্লবী পুকচেল চাওরবী মুপী অসি মৈতৈ ইমানি। মহাক্কী হোৎনমন্দা সরকারনা. ব্লোক ওফিসনা অঙম্বা মতেং পাংশিল্লে। মহাকপু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মনা লুপা লিশিং অমথক পীগ্রে।

অনিশুবদা ব্রাহেংবম মধু সিংহ।

য়াম্না মপুবচেল তপ্লবা হৈশিংলবা পি, দব্লিউ, ডি, গী এসিষ্টেণ্ট ইঞ্জিনিয়ার অমনি। তেল্লবা চহি মঙা অসিদগী মমুংদা ভদ্রলোক অসিনা পাংথোকখিবা লম্বী থোং খুদোং থিরবা কয়া ফননবা শেমখিবা অঙকপগী মশকনি। মহাকপু থাগৎপগা লোয়ননা গোলড় মেড়ল অমসুং মমল য়াম্লবা ভারত সরকারগী সার্টিফিকেট পীগ্রে।

অহুমশুবদা লাইশ্রম [illegible] সিংহ।

লৌউ শিংউগী মরিদা নোম্বা কল্লবা প্লাগুং অমনি। মহাক্কী হৈশিংবা অমদি হোৎনবা কনশঙীদমক থাগৎপগা লোয়ননা লূপা লিশিং অমা মনা ওইনা পীখিগ্রে। লূপা অসিগী কোথোক্লা কুমন্তিগী মণিপুরগী কৌগোক্তা ফাষ্ট্রনি লালা অমি মনাংদা ইকাইখুম্না উপচগী ইনৈবিনী মচালি।

মরিশুবদা ওমচুং থোংজাই।

পুকচেল চাওববা খোংজাই ইয়াম্বা অসিবু থাগৎপগা লোয়ননা সবকাবগী মনা পীনখ্রে। মহাক্না কবিগুম্বা খুদোংথিবা মফম অমদা মরম্নাই হোৎনজুনা সরকারগী মতেং য়ামনা পাংখি।

(মতম অসিদা ললানা লাওরজুনা চংলকই)।

লালা :— ইমা! ইমা! ইমা ঙাইখো—

লৈরিক :— (ঙক্না) কবি তৌরবগে? (রেডিও থিংজিল্লি)।

লালা :— ঐখোয়গী বাবাগা ইপল তোমালগা ঐখোয়বু থিবা লাক্লে— ঐখোয় বাবা শিরে হায়বদো বীরনা লৌনম তৌবা ওইরমলে—।

লৈরিক :— হা! করি লালা করি?

লালা :— ঐখোয়গী বাবাগা ইপল তোমালগা লাক্লে তৌ য়ৌরক্লে— লাক্লে ... ...

(নিলোগা তোমালগা চংলকই, লৈরিক্না ঙক্লবা মিয়েংনা য়েংজুনা লেপ্লি)।

তোমাল :— লৈরিক! নপুরোইবগা লোয়ননা ঐনা নংগী খোঙ্গুল লিরক্লি। নিলোবু শিখ্রে হায়না মিনম্লম্বা অমদি নংবু ওৎ-নৈখিবা বীরবু মতিক চাবা চেরাক পীরম্লে। য়েঙু নংগী মাংদা লেপ্লরিবসি—

লৈরিক :— তাদা :— (নিলোদা মুন্না অমুক্তং য়েংলুরগা অঙকপা ফংনা হৌরবা খোল্লাও অমনা লাওরকই) নহাক! ইস, করিনো ঙসিগী মুমিৎ অসি, এহাক খৎখ্রে ... ...

[লৈবিক লেম্না ঙম্লক্তে, নিলোগী মখোং ময়া তম্না-তুথখবে। নিলোনা মহাকপু তপ্না-তপ্না হৌগৎপীরকই। মাহনবী লৈ পবেং অনিখক পুরক্লুনা চংলকই, ললাদা অমা পী মানা অমা পায়, মবান্নি মুন্না মুন্না য়েংহুনা লৈ। মতমসিদা, মধুনা ব্লোকী অফিসার পুরহুনা লাকই]

ঙমচুং :— বাপু, বাপু—মধু সাহেবনা ব্লোকী অফিসারগা লোইননা বাপু খোয়বু থিবক্লিএ—

তোমাল :— কবিগীনো অসুক থাপ্না—

(ব্লোকী বাবুগা লোয়ননা চংলকই)

মধু :— এ য়াবনি, য়াবনি— ইবেম্মা লৈবিকপু মাগী মরম পুম্নমক থিহুনা ঐনা মাবু হেক্তা পুবগা নিলো বাবুগী য়ুমদা থিল্লক্কে লাকপনি। বি, ডি, ও, নস্থ মাবু মশক খংনিংহুনা ঐখোয় লাকমিন্নবনি।

ব্লোকী বাবু :— ঐখোয় ইমাবু শক খংজনিংহুনা মধুবাবুগী তুং ইঙ্গরক্লবনি। প্রাইজ লৌবিবস্থ লেংবিরক্তে, ঐখোয়না প্রাইজ অহু পুজরক্লে, ইবুঙো লালাগীস্থ য়াওরক্লে লৌশিনবিবো সিদা লৈরে— (শেল চবুল অনিহু পী)।

মধু :— ঐখোয়দি ইবেম্মা লৈরিকপু দোলাইদা হাপ্তুনা পুরগা প্রাইজ য়াম্না ফংলবা ইমুং অসিদগী অমুক খরদং লৌথোক্কে তৌবনি অহুবু ঐখোয়দা মনা পীবীগদবা মীশকশিং অহুনা হান্না সোমদা লৈবীরম্লে ;

নিলো :— বাবু— ঐখোয় ... য় ...।

মধু :- এ : য়ারনি ··· য়ারনি ··· ঐথোয় লাকপগী কান্নদ্রে—
হৌজিক্তগে লৈবীহৌরো ··· ···

[য়াহনবীনা লৈ পরেং অমু হুককে তৌই ; লালানা পাক য়াদনা লৈ। য়াহনবী ইকায়রক্লদুনা মানা পায়রিবা লৈ পরেং অমু হুন্দোক্লরগা ওইনদুনা চংখি। লালান তাম্নখি— "হে, ওাইখো ওাইখো"]

[ময়াম নোক্তুনা য়েংই]

লোইরবা।

